ফোংজবা :—

য়ুথ এন্দ ডিভেলপমেন্ট এজেনসি (য়াদা)

য়েম কে [illegible] ৱাংজিং ।



[illegible] ১৯[illegible] ইং,

তাং ২৫ / ৭ / [illegible]৭ ইং,

লাইরিক মসিং ৫০০

মমল লুপা ৩০/-

- মথুম য়েকপা :—

  নারেংবম রাজিভ মৈতৈ

- মথুম নমুনা :—

  তোনজাও মৈদিংঙু (অইবা)

- মথুম ব্লোক :—

  খুন্দ্রাকপম বিরেন

লাইরিক ফংফম :—

মরুওইবা লাইরিক য়োনফমসিং অমসুং অইবা মসা ।

নম্ফম :— কে এম প্রেস, ৱাংজিং ।

অহৈবগী ৱাহৈ খরদং

পুয় মৈহৌবা কৌবা পুয়াবু মিংথোনবিরম্বা মহৈগী লাইরেন্গী সিল্লেমাবু থৌনিজরি। পাইম সালে লোন্না নৌৱাগুম সৈদমজবনা ইঙত্তা চৈগ য়েং, ইখুৎ তারা লোন্না, বংলৈ ইপু ইপা ইবুধৌ করম্বুস্ থৌনিজরি। লৈপাক মসিগী মথাই থাইনা লৈবাক লৈরবা ইমালোনবু ইবিরমা পুয়া মৈহৌবা কৌবা লাইরিক অসি শরিবা লোন্দা মাইচৌশংনা খঙৌরম্নি। মতমগী ইরোল্মুংদা য়ুপতুনা লৈরিবা পুয়া মৈহৌবা হৌরবা খোইয়ুম লাইগী দারদগী তাইবংগী চৎনবী করাবু থিজিনবগী পাম্বা যাঙবা মচাক খরদংনা পুয়া মৈহৌবা পুয়াগী লিক্রম খরদং লোঙজদুনা ইরৈপাকচাসিংগী মফমদা লৈরাংজবনি। চৈতে ... ইপু ইবেন্ধৌসিংগী অৱাংবা পাইমা ৱাশকবু নীংঙয়েং তাবীনবা ...কংচবনি। মী লৈপাক্কী লোসিং কাংলোন, মিরোন মিহুৎ ঐখোয়গী ইরকমখে মাংহনপা হায়বগী মিপাইজবা তামস্থ পোকচৈ। তুংজাইজবা অমদি মালেম পৃথিবীগী মরুপ কাংলুপসিংনা লোনগী মতৈ মসিংগী চাওখৎপা লমজেল তান্নরিবনি। অতুবু বংলৈ অসিগীদি লৈপাক সেম্বদগী হৌনা য়াওই। খুদমদি বহংকাগী মমাংদগী চেক তাবা ফাওবনা পুয়াগী লিক খংলে হায়বা অসিনি।

তৌহঙম্বহুং ঐখোয়গী লিক্রমবু থিদ্রবদি, মৈতৈ ইনাৎ লাইনিং লাইসোল খুমাং চাওসন্নবা হোৎনহত্তাবনি মীগী লৌসিং কাংলোনবু বৈদোইদস্থ তান্নহা ফংলোই। মরম অতুনা ঐখোয়গী য়েক সলাইগী পুৱারিগী চৎনবী হায়ববু ইরাৎ থৌনি

লিক্রমবু চংপা তাবনি। ওসি ফাওবা কংলৈপী চহি চা (সেন-চুরি) ৪০ রোম স্তরে। অস্নক লিন্নবা কংলৈপী কুমাসিং অসি উরগা ঐখোয়গী লৌসিং খিকম থোকইনা। পুয়া নৈনবা চুমই-না। হবেধৌসিংনা ইপুধৌসিংনা যুম্না ৱারী লীহুনা তাহনবা [illegible]ংগী ৱরী পুয়াগী ৱারোন। ইনাংকী মৈহৌরোনগী ৱারীলিং [illegible]ং অমি খোকপদা হ্বাই লুংজোংবনা মখুংস্তু তেম্না কাপতুনা চংখিবগী মফমবু হোজিক ফাওবা লৈরি। ৱাংখেং পুং তেম্বাপুং তেকসম পুং হেংরক পুং অসুম্না লমদমসিবু কেতোই মাং [illegible]। পুয়া মথং সমথনা হায়জরি মনা খোংনাংবু হুমিংনা [illegible] মসক তাকতুনা হুম্লিং লৌমোন ৭কী মামং থে-[illegible] থংবনা চরিক্লা ট ম্লানবসি তাহবগী মোংবা সনাহ সাবা তৌবান। পুয়া মৈহৌবা লাইহারক অনৌবু নৈন-বিবদা অসোয অতাম য়াওরবস্তু মখংগী খুংনমদা চুমথে কচগনি বনাপুং সনা। অসোয অয়ান তাকপীরকরাদ মচুং দমজো তৌ-[illegible]নদা খংবা উংচগনি। অদোমগী চাওরবা মতেং ফংলে হায়-না লৌজগনি।

পুযা মৈহৌবা লাইহারক মখিল্লা কৈথাক মীয়ামদা কান্নবা থবদ ফংহনবা ওম্নব'দ অইবগী নোমজনবগী মইক থরদং ফংজবা ওনগদবা লিজরি। লোয়ননা পুয়া মৈহৌবদু কোংকবা হাযজ-রুবদা যুথ এন্দ ডিভেলপমেন্ট এজেন্সি (এদা) গ্রেস কে লৈক হ বা। [illegible] হরাওনা য়াথিকলা সেনগী মতেং পাংথিজনা [illegible]বনি। অমদুং মতুংদদু হায়ুকরকুম [illegible] থা-

জবা থমজরি । লোয়ননা কে এম প্রেস, বাংজিংনা লাইব্রিক অসি নম্বুদা অরা-অনা থিদনা অচৌবা থোদাং লৌবিখি। পুম্না মৈ-হৌবা লাইব্রিক অসিগী মতেং পাবিরকপা মাইবম লোখোন মৈতৈ, তখেল্লম্বম বিরেন তৈমৈ মত্রুংগী খুংনমদম্ তেংবাংবিনবা পুম্নমক্কী চাওরবা কৎখাদ্রপগী থৌনা সিংবা ওমদবমখৈ লমন তোনসিনজরে। ঐখোয় পুম্নমক ঐগী স্ত্রু ইথৌনি। হায়না খনবী-দুনা ইপানাং ইপুনাং য়োকখৎপদা ঐখোয় পুম্না থৌদাং লৌ-খিন্নসি। হয়িনা য়াইফরে ।

তাইবা :—

ভোঙ্গাও মৈদিংঙু

বা ঙ্গিং তেকচম লৈকাই (মৈদিংঙু লৈরক)।

— — — — —

থাগৎপা হৈ খরদং

পুরা মৈহৌবা লাইরিক অসি পাজরে। মহুদা ঐমা খেং-নরকপা য়ায়া ওয়া থোকচবা হায়বা য়াই। অরিবা লোনগী মথাই থাইনবা তাবুগী মুংগী য়াবাবু মতৌ করম্মা থোমজিনবনো ধনকৈ। মতম অসিগী মিরোন সিদা খংনবনি হাইহুনা বেঙ্গো-লী জিল্লীদা হন্দোকপীহুনা ভোগান ভোগান তায়রবা পুয়া য়া-য়ী কয়াবু অপুনবা লাইরিক অমা ওইনবা সাগৎপদা তচোবা থৌদাং লৌবীহুনা অইবনা মীয়ামদা খুদোল তথীবা মতমগী য়াওনগা চুনরে। ঐগী ওইনহ্ লাইবক কৈ হায়নিংই। পুয়া মৈহৌবা খোমজিন তাসিনহুনা মিয়েং তাবিহুনা নৈনবী-রগা অইবা লাইরিকসু নৈনাবিরগা অপুনবা অমা ওইনবা লৈ-হন্নবা হোৎনবীবা মৈতৈ লৈক সনাইগী মৈহৌরোলগী পুয়াবু পুথোকপীরকপা অসি এখোয়গীদি অমত নাইদ্রবা চন তৌমনি হায়বদা হাইমনবা থোক্লোই। অমদি মৈতৈনা ইসাগী পুয়া লাতমবু খংজরদবা কয়াবু পুয়া মৈহৌবনা তসেংনা মিংসেন ওই-হুনা মৈতৈবু সক খংহল্লে। অহুপা পাবিম্নিবসিংনা লাইরিক অসিবু নিংথিনা নৈনবিরবদি ইপানাৎ ইপুনাৎ লৈমাসিংগী লোইয়িন সিলোনবু মুংসিবিরকনি হায়না নিংই। তোঙাও মৈদিংঙনা অচোবা থৌদাং লৌবীরীবা অসিগী মথক্তা অমুকসু লৌবিন-বা ঐগী মাইকৈদগীসু থৌনিজরি।

শ্রীমান মহেন্দ্রকুমার সিংহ
কে লৈকাই, য়াংজিং।

ব্রাহৈ খরদং

তোঞ্জাও মৈদিংঙুগী "পুয়া মৈথৌবা" লাইরিক পারে। অঙ্গুম্বা মুন্না খন্নহুনা য়েংলে। হং ক-দগী হৌহুনা হৈক মরিগী মনুংদা লাইগী রারী কয়াম লৈরমগদগে খন্নবদা রাখল যুম্বংনৈ। মৈতৈ ঐথোয়গী পুরারিসিং খিজিনবা রাংলি। কংলবস্তু কম-পিজিসন মওং কক্সহনবদা কলাগী হৈসিংবা হেনগংলকই।

ইয়াম্বা তোঞ্জাও মৈদিংঙুনা পুয়াগী রারী কয়া থিজিন-হুনা ফোংথ্রে। পথোক্লবস্তু হোৎনরি। মৈতৈ ঈ অসেংবনা লম-জিং ওইহুনা ঈগী হৌরককম থিবগা লোয়ননা ঈতিনফমস্তু ফং-নবা হোৎনরিবা থৌনা করা, মৈদিংঙুনি। ইয়াম্বগী হোৎনবা কনবা, মৈহৌরোনবু য়োকখৎপা পামজবা উবদা পম্নমক্তা "পন্থৌ" হায়বা মিংথোল পিখি।

"ভুমিং কাপ্পা" পয়াগা পাম্পমহুনা য়েংবা তঙাইফদে। কলাগী মগুন চেন্নবা খুৎসেম্মা রারী অসিগী চপ চাবা অচম্বনা য়ুম্ফম ওইরগা তুংগী মীরোম্বা সাহিত্যা অমস্তুং ধর্ম্মগী লাই-রিক ওইরকপা য়াই। সৌবোন লাইরেম্বী অমস্তুং সনাখোংনাংগী রারী চম্নগী রস ফোংদোকপা নত্তে। মসিনা তুংগী ওইবা অচম্বহু পথোকতুনা মৈহৌরোনগী রারিসিংগী ফজবহু উৎলী।

অস্তুন্না মৈদিংঙু সৈরাংবনা পুথোক্লিবা পুয়াগী মচাক্তা থরায় হাপ্নবা লাইরিকসি মীপুম খুদিংনা পাবিহুনা অমস্তুং অনৌবা থৌনা হাপ্নীহুনা তুংগী মীরোলগী য়াইফবা নিজরি।

এল রাই মনি
তাং ২২/১/৯৭ ইং রাংজিং বাংখৈ।

য়াওফম তাকপা

খ্বাই নুংজেং পিবানা লাইরেন সিদববু অনা লাইকোক হনবা

মতম অসিদা কংলৈ পুং শয়োন্দা, লোক্লৌ থামল্লোকপা নোংজম্মদেন অথুবা কৌবনা চিংজাইরোই লৈমা, পাম্মহুনা নুংঙাই য়াইফনা পুদি ছুংসাংনা পানখি ॥ মতম অসিদা নিংথৌ অসিগী মনাই; খ্বাই নুংজেং পিবা হাওজো.চা হায়বা অমা লৈরম্মই ॥ মহাক অসি পিনাই পানাইদে, খোইয়ুম অসীবা লাইগী লাম্নে লাথুপনা চক অসিগী লাংওন লাইচং তেংবাংবনি । নুংজে পাং নুংজেং মপাম্বা খোংবা সঙ্গাই অমা সাহুনা,লাইম্ন অনংবা মীসক অমা ওইয়ে ।। বুরুম চিংয়োরেন থবি লোক্তা লৈবা লাই তাইবং ওইরবা "খোং-খোং পুথোকপা" কৌবনা মপারি (মচা) কান্নন লবৰা কৌবা অমা পোকহনা মান "হাওসি পাম্বাং খৈরাকপী" লওহুনা, মপারি মচা নিপা কারন লম ঙাকপাগা. মযোম মচা- নুপী. হাওহ চথাম্ন স্নাকবী খ্বাই লাইরোয়েম্বী কৌবীগা পোকহনা মনিং তম্বা লৈপাকী নিংথৌনা সক থঙবা, মচিন চংপা অঙবা অমা ওইহনা লৈয়ে ।। খ্বাই নুংজেং পিবানা খ্বাই লাইরোলেম্বী অসি নুহোংহনা লওই । ইবেম্মা খ্বাই লাইরেম্বী অসিনা কোরৌ হুমিং খুদিংগী নুংকে পাং (নুংজেং ইকোন) অসিদা ইসাইপুল অমা পুহনা লাইজ ঈসিং সোকই ।। লাইরোলেম্বী মানা ইসাইপুল অসি, লৱাই কোইরেল (মকোক্তা) হেক থোক্নংপা মতমদা হুমিং খুদিংগী লাইকা ঈসিং নুংং পাহুমগী ঈপালোংদা চোংথং

চোংথংলুনা, সনাচুম্দো ওয়া [illegible] সম্বনুর্বি [illegible] মসি মাগী মপুংক্লিংদা লেম্লৈ ঙা অচৌগ্ব, ওন্নবে [illegible] নিঙথুনা, নোংমদি মপুরোইবা খ্বাই মুংংবেং পিবাদা, পা [illegible] ঙমথুনা, মসি নোংমথং লুমথুনা ফানবা তৌবিযু লাইবা অয়েং তাবসি কোকপা ঙ [illegible] অমু শং য়েসি হায়থুনা হাযজৈ, য়াবা অসি ঙাবদা খ্বাই মুংংবেং পিবা "চাংজোংবনা হায়—হবেম্মা ফাদি ফানিংই, অমুক্তুং অমুত্তং যাওদমদি কনদৌনা কাপনি? মথুদা লাইয়োরেম্বীনা হায়—" 'লেম্লৈ ঙা অসিমতা ফানবা তৌবস্থু তৌবে, মপু খনবনি চায়থুনা নোংঙানবগা (ইন্নুং সোইবগা) হেক মচংখি। ইবৌনি হায়রে লাইবা অয়েং তাবগী তেংবাংনবা খবক স্থবস্থু লুবে। মুংংবেং ফানমা নৈরিবা অসিনা কন্নি খনবিন্নিবনো?" ইবেম্মা ঐনা নকোংবৌ সুমিং থুদিংগী য়াখল খন্দুনা লৈবা অসিবু য়াম্না ফানা উবত্রা?" ঐদি অন্না হুইসোল য়াখদি খোইনা খল্লুদেয়ে।। মথুদা হয়োকপনি ইবেম্মা তাইবং পানবা অসিদা মী ওইনা হিংথুনা লৈবা ওমগীনি হায়বা নিঙলক্লে, মতম অহুক কুইনা নিংথৌ খমখানি হায়থুনা খল্লকপা অসিবু মীমী মীনাই ওইবা অসি লোকপা ইঙম ওমদথনা লৈবা, সুমিং খুদিংগী নোংমতা পোংথয়ান্ন ফংদবা, অহিং মুংথিল (মঙাং লুবাং, খুমন) থায়দনা খয়ুম্বা স্থুহনতা মরৈবা, তাইবং মীপুম খুদিংদদি (অহিং অমা, মুংথিল্লু অমা) খাইথুনা মথৌ সুরুম্নবস্থ পোংথাবা মতম মফংনৈ।। ঐখোয়দি সুমিং অনী খোকপগুম, থাবা অনী পানবগুম অহিংগী মতম ওইরবস্থ অমুক মুংথিলগী মতমদা ওইথুনা খবক সুহুনতা মরৈবা আনৈদা, মুংঙাইতবা ওইথুনা মরক য়ম্বা অহুক য়াখনকদি নখল্লি।

থংজরে ইবুংঙো, হায়রিবা মওম পুম্বা, মরম হন্তুগী থোইনা ব্রাব্রিক্লগম্মু; নেংদম্বা মপুগী নোংদম অমদি মরাকখিনি, লেমলৈ ঙা অশিত্তুম ফানবা থৌরাংসি, সোইদনা ফাবিগে হায়রিবরদি ঈল অতুদি নংনাও লৌজরগে” হৈবেম্মা! ঈনবু লৈরবদি থোইনা অয়াবা থবক নাহেনা ॥

লাইরোরেম্বীগা মপামদা ঈল ব্রায়বা লাংকপা

ব্রায়ম ওংস হায়তুনা হৈবেম্মা খাই লাইরোম্বেম্বী মপামদা লাকতুনা, মপাম পঙ্খৌ মপাগী নাংকতা চঙলকই। মমোম মচানা লাকপা উবদা ‘ইমোম ইচানা লাংকপবু করি হায়নিংবা লৈবগে?” নমোমনা রাক্ষম অমতা হাযজগে।। হাইয়ো কারি ব্রাবু ওইরিগবা? পঙ্খৌগী অহুন ঈনবু লেমলৈ ঙা অমতং ফানবা নোংমতা ব্রায়জগে” হৈবেম্মা ইচানা হায়রিবা ঈল অতুদি মীগী ময়ুমদা থম্বা য়াবা ঈল নত্তে। অতুগা মীঙোন্দা ব্রাযবা পীবা য়াবসু নত্তে॥ লেমলৈ অমতং ফাবা অতুদি ঈল লৈবা অমদগী ব্রায়তুনা ফানবা তৌরুরো। পঙ্খৌগী য়াবা অতু তাবদা ইকাই খুংশি য়াম্লনা মপানথৌগী নাকতগী খোকখি॥ মমোম মচানা মপুক্লিং খুংঙাইতনা থোক্লকপা অতুদা খুজেংমমানা “করি মতৌনো ইবুংঙো। মমোম অসিনা পঙ্খৌগী ঈল লৈ লৌকুমি হায়তুনা ইংনাও হৈরাও লাকচববু, লৈতবসু নত্তনা লৈনা লৈনা পীবা য়াবা ঈল নত্তে হায়তুনা পীদনা খুংসুক খুংজানন্না থোকখিবা অসিবু ননৈ ম কয়া সুবগে? চৎখিবা অসিবু কয়া য়েংবিহ্রিবানা? নোংলেনবা য়াদব ওইরবসু মমম অতু তাকপিরগা, নো লোন্দনা মী জরব্বনি, করি মতৌ বৌবনো।

নমোয়া পম্মৌ হায়ত্তবা তয়ম তসোইনা হায়জয়বদা, মমাই কী রুক খুমা হনবগী খোঙকাপ নাটৈ কান ওমদনা, মপারী নাক্বা পাঙদম্লিংঙাই খঙাননা চৎখ্রিবা অসিবু কয়মা য়েংবিরিবনো? য়াম্বা অসি তাবদা কাৱন লম্মনা "ওস্তোকইদা ইবেম্মা" হাবু মুংসিদবনা পীদবা থোক্লবোয়ে। ঈল অসি লৈবাক অসিদা অনিত্তবা ঈল নত্তে অত্থগা নমোম নচানা কাক্লগদৌরিবা লেন্নৈ ঙা অত্থ ঐনা মসক খঙত্থনা তৌবনি। লৈপাক অসিদা ঈল অসি লৈহৌৱরোই খনবদগী লৈহৌনবা হায়ত্থনা পীদবনি। অত্থবু মরম অসি মমা ওইবী নংমক্লা বাখল অত্থ খল্লবনি, লাংলেন ইচানস্ত মত্থদগী হেম্না মুংঙাইতবা খল্লম্বা তাই।। নংনা খেম নৌনা ইচাগী মপুক সিহনগত্রা হায়ববু নংনত্থম ঐবু মীয়োকনৈ। ঈল অসি ইচাগী মনিং থুংনবা পীরগে কৌসিল্লকই। বা অসি তাবদা পলেম মমানা, মচাম্নুপীবু "লাংলেন ইবেম্মা" পনখৌ নপানা কৌরি, লাংলেন নমাই অমুক্তা ওল্লকখো" পলেম মমানা কৌরক্লবদা, খরাই খোম্নাল বাংমদগী থোংকাপ তুংহমনা মমাই ওসিন্দুনা য়েংলকই। মচাগী মত্তৌ উবদা 'ইপাগী লাংলেন ইবেম্মা। ইচাবু সাওনিংলবরা? নিংঙোল নংগী নপোৎনি ইপানা অত্থক খম্নীবত্তনি, নপোৎ নয়ন কাওরত্রা কাত্রিত্রা হায়ত্থরা ইপানা নত্তৌ য়েংগে তৌবসি৷ নপোৎ নয়ন লৌরখো। ওসিনগী ইপানা নখুত্তা সিময়গে।।" পনখোগী য়াথং তাবদা খরাই খোম্নাল বাংমদগী হল্লকত্থনা মপাগী নাক্তা চংলক্রে। খুদক অত্থদা মপানা অত্থন ঈনবু লৌখোকত্থনা পীরে। ইবেম্মা॥ ঈল অসিনা হুনগ্রবদা খোইমুম লাই ওইরবস্থ উপঙমদনা তাক্লরোই,

নাম্বোকতুনা চংপা ওয়োই, মুতিক মথম্মু প্পানবনি। ঈল অসিগী মপু নম্বনদি কয়োঔভৈদফু লৌথোকপা লাইনুংবা ওয়রোই। হায়না তাকপিহুনা, ঈল্লা অহু চরৈ নমথাংদুনা য়োমহুনা মপামদগী মোংবা মখ্যানয়াইদ্দা পুরকতুনা লৈখিয়ে॥

থ্বাই মুংজেং পীবনা ঈল তনবগী শাথংববু উপ্পা

ঙাই লাইরেম্বৌরম্বীনা ইন্নুং ঙাল্লবা মতমদা তরা চাকঙন খোংহুনা মসাবা মমান মচাগী তরা চয়োম য়োমহুনা পুনবা থোয়াং তৌরগা, মসাবীগী তরা চাকঙন চামিয়ে; থ্বাই মুংজেং পিবা তরা চাবা লোইহুনা অঙুন ঈনবু মমদা পো, তরা চয়োম খুত্তা পায়। খোংথাং সোর যেংহুনা, মুংকেপাং (মুংজেং তয়া লাকতুনা ঈনগী ঈল্লি পায়হুনা ফমহুনা লুমহুনা পাং অসিগী ময়াদা লৈরমই। মতৌ অসুমন্না লুম্মিঙৈকা লেমলৈ ঙা অচৌবনা, ওনবগুম লাইজাম্নুং অহুদগী ঈপাল্লাংদা চোংথতুনা ঈখোন খোক্কা ওল্লি। ঙা অসিনা চোংহুনা ওনাখইগী উরদা হিং ফরি ঙানো মচু অসিদি কুরগেদা। হুন্দরমুক ওল্লক্লদি নাম্বোকহনখিবা য়াম্রে হায়হুনা, ঈললি প্পাইহুনা যিংভম য়েৌদনা লাইহুনা লৈথি। খুদক অহুমকুসা ঙা অহু মচি, ময়া, পান্না, ঈশিং মখুমগী ইপাললাং ফাওনা মফম ৩ থোক্কা চোংহুনা হেক ম্লাবৈ। খুদক অহুমকুরা থ্বাই মুংজেংবনা ইললি পায়রগা মপা লাকতুনা ইদ অহু কমা হুপ্পিরম্রে। য়োইফমবা ঈল্লিনা চুবুধো তুমি লাই সিমবা ঙা সানা, য়াথোকপবু ঈম্না উপুথিহুনা থাথক য়াম্বা কংদনা ঈখ্যবুং অহুদা লৈরে। থ্বাই মুংজেংবনা ঈল্লি অহুং থর থর কোনসিনহুনা

কংফান্দা চিংখৎকে তৌরকপদা, ঙা সাবা লাই অসিনা ঐবু কংফান্দা চিংখৎখিদৌরে হায়তুনা ঈন মঙ্গং অতুদা সাহুন সাখেক মঙম চাউনা অমুক্তং কয়া চোংই। মতম কুইনা পীতুনা থৌরেবা ঈল্লি ওইবনা ঈনগী ঈনখোংদা মরী তংতুনা ইল্লি ঙাক্তা চিংখৎ-লক্লে। কিং করিনো ইল্লি তংলবোইনা, ইন্দি লৈহৌরেদনা অতুবু ইল অসি অতুন ইল য়াইওইবনি হায়না ঐগী খ্বাই লাইরোরেগীবা হায়খি। অতুনদি ঙা অত্র উপ্পদি উপ্পংবা তাই। মানা মাংবা য়াদবা য়াইনিনা তাওথৎলকনি। মসিদা তাউথৎলকবা অসিনদি ঙা অতুগা লোয়নতুনা তাউথৎলকদবগী তাউথৎলশিল্লবোইরে। অতুনদি ঐনা কুমতুনা ইল খিক্লবগী থোইনা কায়দে। ইসিং চোৎনবনি, তাউথৎলকপা কাওবা ঙাইবা তারে। হায়তুনা মুংকে পাৎকী মুংজেং মপান্দা ময়াদা ফমতুনা ঙাইতুনা লৈখি।

খ্বাই মুংজেং পিবানা ইল য়াইওইবা হুন্দুনা

লাইরেল সিদবা উপ্পা অমসুং লাইরেল সিদবা নাবা।

মবুখৌ তুবি সিদবা ইল অসিদা উপ্পনা মসা পুম্বা পুনসিনগ্রবা অতুদা লেংখোৎপা ঙমদতুনা, নয়থায়রোন ৭ কাওবা লুপথরক্কনা মফম মরাং থঙদনা সবাগী ভাংবন থক্তা হৈ নাহেদনা লৈরক্লে। খুদম অতুদা লইখাদরোন্দা লৈবা থোইমুম লাইমথৈনা চঙলকর্তনা লাইনিংথৌ সিদবিমা তৌরিবা অসিবু করিনো? সনা হকচাংদা য়োম্লীবা অসিনা করি লায়থুংনো। লাইথুং ১০৮ গী মতুংদ পাংবা মীহুন য়াঁমাখিদবা লয়না মমক অমনি, মসিবু করি লাইথুং কৌবনো। হায়দনা লাইয়াম চঙলকর্তনা হংলে। তুবি সিদবা

পাউখুমদে, হৈ নাহেবনা অরা পোৎথাকম ওইদনা লৈ। লাই মথেই খিরকনা লাইনিংথৌ তুবি সিদবগী মনাকতা চংলকতনা হংবদা খুমখিদ্রেবা অদুদা করি তৌনিংঙাই লৈতদনা, লাইনিংথৌ তুবি সিদবগী সনা হকচাংদা মুন্না য়েংলকপদা সনদগী হেন্না লংঙ্গবা সনা হকচাংগী মথকতা ইনাগী পোরম ফৈরোই কারন থান কুপ্পনা, য়েংত্তনা লৈবা অদু উবদা খোইয়ুম পুন্বা অকি তজুং ফংদনা, করম্বনো হন্দক লাইনিংথৌদা তৌরকইসা অসিবু।। হায়দনা লাই অমত্তা লাইনিংথৌগী মসা সোকখিদ্রে লায়-খাম্নোন্দা লৈবা খোইয়ুম পুন্নমক্তা কোয়সিন্দুনা, লাইনিংথৌনা মন্নাইদা লৈরগা ইলাং লংনা থৈন্নিবাস উরুত্তুনা নোংপোক অচিবা কৌবা খোইয়ুমদনা চংলকতুনা হায়:—"করিনো খোইয়ুম নখোয় ময়াম্না তৌরমলিবা অসিবু লাইনিংথৌবু কৈদৌরবগে?" খোইয়ুম নোংপোক অচিবা। লাইনিংথৌনা তৌরিবসি ঐখোয় হায়কম খঙদ্রে, হংজরবস্তু করি অমত্তা তাকপীরকদ্রে, হৈ হৈ রাউবনা পাউখুম পাউতাক ওইনা লৈরমলিবসিনী। মত্থদি ঐ অমুক খোগনগে হায়দুনা ময়ায়দা চংদনা লাইনিংথৌবু য়েংলমই। লাই নিংথৌগী হকচাংদা কুপ্লিবা অদু উবদা সোকউগদবা কিদনা হায়—"খোইয়ুমসা। হন্দক লাইনিংথৌনা নারিবা অসিদি, খোইয়ুম ঐখোয়না নোংদমখিবা লাইথুংগী মরক্তা য়াওবা লাইমা নত্তে। মসিদি তাইবং নমুগী মীয়ৈনি। তাইবং নমু নত্তনদি নং ঐনা হৈকোকহনবা ঙম্মরোই। নখোয় কনা কনা নমু তাইবংমী লাউরকবা ঙমগদগে? য়াবা অসি তাবদা খোইয়ুমসিং তাইবংমীবু কিবনা চক্ক লুকত্তুনা তুমিন তম্মিন লৈনৈ। মতৌ

অহু উবদা খোইয়ুম রাঙ্‌ তাংজেংবা, খোইয়ুম রাইথৌ খম্ব্‌ক; খোইয়ুম নিংথিখোম্বা লাই ঐ.খায় ও না লয়য়াইরেম্বা চৎতুনা, লাইনিংথৌবু লাইয়েংনবা তাইবঙ মীবু পুরকপা ওন্নবা থৌজান লনকুবীয়ো (বর) পীবীয়ো হায়রবদা লাইয়াম্না পুরকপা ওমজরো হায়না য়াথং পীরে।।

লাই ও না তাইবং মী লওবা লাকপা।

লাই ও মক্না তাম্নহুনা লৈকুৎ ও খোক্নাল য়য়াইরেন্দা য়াখো-কলে। খোইয়ুম রাঙ্‌ তাংজেংবনা তাইবং থেমদোকতুনা পুরনবা থোরকই হায়হুনা মফম অহুবু "রাঙ্‌ তাংজেং পাৎ" হায়না কৌখি। রাইথৌ খম্ব্‌বনা থোরকপা মফম অহুবুনা "রাইথৌ খমপুৎ পাৎ" হায়না কৌখি।। খোইয়ুম নিংথৌখোম্বনা থোরকপা মফমবুনা "নিংথিখোং" হায়না কৌরে। মফম ও অসিদা থোরক-পদা তাইবং অমম্তা ফংরে। মতম্‌ অহুদা মখোয় ও তাম্নহুনা নুংজেং পাৎতা ফাওগৎলকপদা, খ্বাই নুংজেং পিবানা লেমলৈ ও! তাওথৎলকনি হায়না তাইরম্বা অহুগা থেংনরে। খ্বাই নুংজেংববু উবদা লাইনা মীরা হায়না হংলকপদা, খ্বাই নুংজেংবনা ঐগী ঈন্না উপথিবা ও! অহুরা? হংলকই।। ঐখোয়দি.ও! নৎতে লাইনি হায়রবদা- মখোয় লাইনা তাইবং লৈবাক্তা কৈদৌবা লাক্নিবনো" হায়রবদা, নবুধৌ তবি.লাই সিদবা লাই নিংথৌনো তৌরাং থক্তা ওন্দুনা নাহুনা লৈরে, অহুগীদমক্‌ তাইবং মী অমৎতা কৌরু হায়হুনা থিরক্লিবনি, নহাকপু কনানো? ঐবুদি নমু তাইবং পোনসেন্নবা খ্বাই নুংজেং পীবা হায়বহুনি। খোইয়ুম

লাইনা লারগা নমু তাইবংনা অনা লাইকয়রগা হিংগনি হায়ব্রা ? লাইনা ওইদবা হায়বা হৌনদে হায়গনু। লাই ঐখোয়না ওইদবা হায়বা নত্তে অতৌ অতৌবদা হায়বনি।। নংনি মকম অসিদা কনা ওাইরমলিবা ? ঐনা ঈন হুন্দুনা লেমরৈ ঙা অচৌবা অমা কাগে তৌবদা, ঈনগী খুজি তহন্না, ঙা অচৌবা অহু ঈনগা লৌইননা মাঙথ্রে।। ঐগী ঈমা উপগ্রবনিনা, ঐগী ঈমা পুহনা মফম অসিদা লাকখিগনি হায়হনা ওাইরম্লিবনি। "অদুদি নংঙোন্দা য়াব্রা অমংতা হায়জগে য়াবীয়দনা, নংনা হায়বা মখেন্নু ঐখোয়নু য়াগে। অহুগা নংনা নিঙবা পাম্বা মরম পুম্বা ঐখোয়গী লাইনিংথৌবু পীহনগে। বারম অহু তাবদা খুাই মুংথেংবনা হায়রকই :— "করি য়ানৌ হায়মু তাসিদানা।" ঐখোয়গী লাইনিংথৌনা নারিবা অসি তাইবং মীখা লায়েংলবদি কগনি হায়দনা খোইয়ুম অচিবনা তাকপীরে। অদুদগী মমক লাই ঐখোয়না নঙোন্দা হায়জবনি। অদু ওইরবদি চৎপদি চৎপীগে হায়রবু ঈশিং মহুং অদুদা কয়ন্না চৎকনি ? চৎপীগেবু হায়রবদি চৎপা ওয়বা মরমদি ঐখোয়না ভৌজনি। কমদৌনা তৌগদৌরিবা ঐখোয়গী ইয়া মহুংনা উমদুনা লয়খারোন ৭ য়ৌনবা ঐখোয়না নমু পুজগনি।। অদুবু মীন য়াবা হৌনব্রা ? ঐবু নখোয়না নয়ানা উমদুনা পুরগা ঐনা কমদৌনা হিংগদৌরিবা ? মরম পুরকা ঐখোয়বু খাজরবদি সোয়দনা পাংথোকনি।" মদুদা নংবু কৎতমবা মরম অমংতা তৌজরোই। লাইনিংথৌনা সাক্কিনি। ঐখোইহু মপোক মপোক খুদিংদা লাইরম লেম্পা তিনয়রোই সাঃ য়ীসকই।। ফরে হায়না য় রদুনা খোইয়ুম নিংখিখোয়না

ময়া মনুংদা উমদুনা খোইয়ুম য়াঙ্ ভাংজেংবা, খোইয়ুম য়াইখৌ থমপুবা, ম্যাই ২ না নমহাইদুনা খ্যাই মুংজেং পীবাবু লয়খাওম ৭ কাওবা, পুরুক্ না লাইয়ামগী ময়ায়দা পুখোকতুনা থমলে।

খ্যাই মুংজেং পীবানা লাইনিংথৌগী লায়েংবা

মচুদা নোংপোক অচিবনা হ্যাই।। "নমু তাবংও"। নবুখৌনা নায়িবা অনা লাইওং অসি খঙত্রা হায়দুনা অমুক্তা য়েংউ "হায়রকই" খ্যাই মুংজেং পীবানা চংদুনা য়েংবদা, ঈমা য়োম সিন্দুনা লৈবা অদু উবদা থম্নি ভৌরমলিবা মসিদি ঐগী ঈমা কুরনা ইবুধৌ অসি পুক্লিং বাথল থোকত্রবোইরে। খোইয়ুম লাই চায়বা মখোয় অসিদি অদুন ইমা উপ্পবদি, মতিক মঙান সাম্বোইরে খঙলেমনা, হায়না বাখল ভৌতনা খোয়রে। মচুদা নোংপোক অচিবনা হ্যাই। "নমু তাইবং! নবুখৌনা নায়িবা অসিবু করি লাইনানো, লাইনা লাইসক খঙলব্রা? উম খঙলে অদুবু লুখি নুঙ্গ্রেদা ওইখোক্তব খৌদোকনিদা। ঐ খোয়ইদি খঙবা ঙমদ্রে করি লাইনানো। চুমই খঙবা ঙমলোই। লাইথুং ১০৮ লাইনা মঙ ৭ কী মনুংদা য়াওদবা থাংমথকী কংব্রা লাইনানি।। নবুখৌনা খোইয়ুম লাইনি হায়দুনা খৌসাদদুনা নমু তাইবং লংনরুয়দগী, নমু তাইবংগী মীয়ামনা অনা ভেমথংখিবনি। অদুদি নংব্রা কোকবা লাইয়েংবা ঙমগদ্রা? হোয় ঐনা। পীবু হায়বা খুংলাই পোংচংসিং অদু পীরবদি ঙমগনি।। করি খুংলাই পোংচংসিং করিনো? লাই ঐখোইনা পীবা ঙমা মরুক ওইরবদি, ঙমমগে থিদনা পীনবা হোংনগনি।। হায়রু করি

খুংলাইনো ? থোইদোকনা পঙলু লুবদি নত্তেদা, ইবুধৌগী সনা হকচাংদা পক্রিবা লাইথুং অসিনা মতিক মঙান চাওমনখিবনা অদক মতৌবনি। মদুদি পোৎচংসিং :—

১। সনাগী কাতি পুংহৈ অমা।।

২। লুপাগী কাতি পুমহৈ অমা।।

৩। সেনগী কাতি পুমহৈ অমা।।

৪। ইবুধৌনা সেংলিবা খাংজেৎ নমথাং অসিগা।।

মান্নবা ফীরোল অমা, চেং চাইরেন প্রথম অথনবা অমা, লফোই ওমপোৎ চং থোকপা লফাং অমা, মোংথাং চেং অকুপ্পা থৱা ইসাইফু অমা, ৱাংথম অমা, লৈয়হিংনা ইনায়ফু ৱাংথুমদা সাগদবনি।। পোৎলমসিং অসি পীরবদি, ইবুধৌদি তিনকোক লাইকোকনা লাইর কচান্দা লৈহৌবা ওইগনি। অদুবু লৈব্রা লৈতব্রা ? ঐদি খঙদে, মরম পুয়মক সোয়দনা লাঙডুনা পীগনি করিসু চিংনরুগনু। অদুগা নংগীদমক্তি লাইয়াম ঐথোয়না কন্নবা ভোগনি করিসু ৱাগনু।। নবুধৌ তুতি সিদবনা ভৌরিবা লাইথুং অসি কোক্লবদা, নবুধৌনা নংবুদি তাইবংলক্তগী অথোইবা, খোইয়ুম লাইবু থৌদা নোংদমদনা সীজিন্নবা ওৱা মসকপু ঐথোর ময়ান্না নোংদমহনগনি হায়না ঙাংনডুনা পোৎলম পুন্না লাংডুনা পীরে।।

ইন্নাৎ থৌনি

থুাই হুংজেৎ পীবানা, নবুধৈ তুবী সিদবগী মমাংদা পোৎলম পুন্না পুসিন্দুনা থমলগা ইন্নাৎ থৌনিজরে, সনাগী কাতি পুমহৈবু পায়ডুনা, মবুধৌগী চিরেন কোকতা য়েংলিবা অহন ঊনগী পাম্বৈ

লাংমিং য়েং তুনা চপথংলগা ফিদা মথক্তা সনাগী কাংথি অহু থম্লগা। অমুক লুপাগী কাতী পুমহৈবু পায়তুনা মবুধৌগী য়াংলোমদা য়েং-সিন্দুনা কুপলীবা ঈন অহুগী লংমিং লংলম য়েংতুনা চপথংলগা লুপাগী কাতী অহু ফীদা মথক্তা থমে অহুগা সেনগী কাতী অমুক পায়তুনা মবুধৌগী খোঙদগী নিঙহু ফাওবদা য়েংসিন্দুনা কুপলিবা ঈনগী লাংমিং লাংলম য়েংতুনা চপথংলগা সেনগী কাতী অহু ফিদা মথকতা থম্লগ, মবুধৌগী মসাদা কুপল্লিবা ঈল অহু লাওথোকতুনা হেক থম্বাদা, মবুধৌ বাখল লাকতুনা, মিং পাংথোকত্রবা য়েংলকই। মবুধৌগী মিংয়েং মঙাম্না য়ৈবদা, খুাই মুংজং পীবা লৈমায় থক্তা অসিবাগুম্না তুহুব কোংয়াং বা-তুগুমলে বাম্বতুনা লৈপ্রে। মতৌ অসি উবদা খোইয়ুম নোংপে ক অচিবনা লাইনিংথৌ, নহু হে পুংখৌ অসিবু কনবীযু। লাইনিংথৌনা তাইবং মীয়েনা সনা তাংবন থক্তা লৈতুনা, তৌরাং থক্তা ওন্দুনা লৈববু খোইয়ুম অমাইবা নাপন লেম্বা, নপহৈবা, নোংখাইবা পুম্বন থরাই লাইকম্নবদা, অনা লাইওং-লাইসক খঙদহুনা লৈরবদা সহু হে পুংখৌ অসিনা মবুধৌবু থরাই লাইকন্নতুনা তিনসেং লাই-সেংলিবনি, পাইমা বাখন হিরি ফাননা, উনবী চানিং তানা তানা অমুক্তা লৈবীয়ো। ঐদি মহু থঙদেদনা, ঐ নাক্রবোইয়ে! হৈরিথ্রাবোইরে। অহুগা তাইবং অসিদি মকম অসিদা কমদৌনা লাক্লিবানো? মহুনা খোইয়ুম বাংঙ তাকেংবা, খোইয়ুম বাইথৌ থম্লগ্বা, খোইয়ুম নিংলি খোম্বা ও-না হুঙ্গংলি। "মবুধৌগী অনা লাইয়েংনবগী [illegible] চৎলুহুনা থেমদোকলুবলি, [illegible] মাইক্র নবুধৌবু [illegible] হায়না [illegible] সারিলরগা

পুরকপনি। তাইবং নমু মীওইবা নস্থ হে পুংথৌ অসিবু পুনসি মুংসা'না, মুংঙাই য়াইফনা পাঙবা থৌজান লনকৃবীয়ো। নোংদম্বীয়ু'।

লাইনিংখৌনা খাই মুংজেবদা থৌজান পীবা।

পাওদম অসি তাবদা লাইনিংথৌনা "তাইবং খাই মুংজেং পিং।" নংনা খরাই লাইবন্নবিদুনা ঐবু লাইরকচন অসিদা ঙিলহনবনি হায়রব মরম অসি ঐ খংলুদ্রে। অদুনা ঐবু নপুকতা ভাথীগমু ঐগী মিৎয়েংনা চৈবী তেমথেংদুনা তাইবং নুংবু ভুক্ষমাম্নে। নংদি মাঙবা য়াবা তাইবং নস্তে হোৌগৎলো, ঐগী রারি লিনবুম্নসি, রা ঙাংনসি হায়দুনা খাই মুংজেং পীবাবু নায়মায়থকংভগী কোনথৎতুনা মনাকত্তা ফমহল্লগা হায়:—"খাই মুংজেংবা। ঐদি নঙোন্দা করি পীগনি। নংনা পাম্বা হায়রো। নংনা পাম্বা হায়রো। নংনা পাম্বা মরম অদু ঐ পীবিগে। "নস্থ ঐদি লাইরদুনা মীগী মীনাই ওইদুনা, তাইবং মপোক অসিমাগী অরাবা মরম অমা ওইদুনা লৈজরি। খাই পুম্বগীদি অমুক-মুংথিল সিম্থারগা, অহিং চুপ্পা খোমলেন তুমথুন তাললি। পোথানৈ, অদুবু নস্থ ঐগীদি মুমিৎ অনি থোকপগুম, থাবানা ২ পানবগুমনা অহিংস্থ পোৌথাবা ফংদনা মীগী থৌনা-নোংদম থৌঙম্নবা ইথৌ সুদুনতা মরৈবা অসিবু নোংদম মপা মপুনা কমদৌনা নোদমলম্বনো। খাইনা পোথাবা মতমদা পোৌথাবা ওইজগে মরম অসিতদি কৌকহনবীদুনা, নস্থ ঐনা সিনস্থ সিম্বাবা মরমদা লেম্না মাঙবা লৈতনা থৌঙমজবা ওইজগে। য়ারা অসি তাবদা মবুথৌনা" পোনবিদুনা হায়"। "মুংসিদা তাইবং-দুদুনা মাঙচখো,"

লুমাংবা তুং ওইবা, রাক্তে অমনা মরম পুংবা থোঊম্নবা থৌনিবা নংগী পাওরো পাউনি অসাদ লাইমকপু ওঃদবা মসক্কি। নংনা সিম্থাবা মরম মথৈ লেম্না লেম্না মাঙদবা হায়বা অসিদি লাইমকপু ওম্নদবা মরমনি। অদুবু তাইবং নংনা হায়বদা ঐনা পীগে হায়রবনিনা, নংনা সিম্থাবা নখুৎস্তুদি কররম্বা মসক্তা ওই-নিংবগে হায়রু নসু ঐনা হৈনজবা, পামজবা ইখুৎস্তাদ লিরুং তেম্না সিম্না থোপুবা ওইজগে। মুংঙাইদা, নংনা পামজবা লিরুংতেন অদুনা সিম্থাবদা নংনা নিংজবা থোরম অদু পাঙবা ওইজরো। নংগী নখুৎসু লিরুংতেন অদুগী মসক্কি মৈ, ঈসিং, মুংসিংকী মসক ওইজরো, থোঊমবনা লেম্না মাংলমু। অদুগা নংনা কাপ্পা তেনজৈনা হুরস অহুমগী মতীক মঙান ওইসমু। নংনা তেন কাপ্পা খুদিংদা মসক অসি নিংসিংবা কাউগনু। অদুগা নংনা চায়নিংবা মরম অদুগা হায়জখো পীবীখগে। য়াবা অসি তাবদা খ্বাই মুংজেং পিবা তুমিন্না মরু লুকতুনা লৈরমই মথুদা মবুথৌ তুবী লাইনিংথৌ সিদবনা হায়। খ্বাই মুংজেংবা। তাইবংনা লৈবা লয়য়ায়রেন্দা তুবি লাংওন তেতুনা মফম খুদিংদা য়াথোক চাক্তায়দোরে। তাইবংসিংবু তুবি লাইগী স্বোর ঈহুন্না, মৈহুনা অরা হুইসোৱ পোপ্পা হুম্নায়রগনি, হাক্তা সতম কুইত্রে। নংসু ঐবু লাইসেং তিনসেংবীহুনা লাইরকচান্দা তিলহনবু অসিগীদমক নমু তাইবং নখোয়বু, তবি লাইগী অনা চৈবী তেমথেংনহুনা, তৌরাং গ্রক্তা ওন্দুনা খরাই লাইকম্নরকপদা, তিন্নকোক-লাইকোকপা ভুম্নবা মতমদা, নংনা ঐবু তিনসেং-বীহুনা লাইকোকহনবা অসিনা য়াওরি-থারিবা পোৎলম কৎচম্নীবা,

পুম্নমক অম্নি থাহুনা. নংগা, ঐগা থেংন-উম্নবগী মরম অনী শীহুনা অমাইবা অমাইবী থাবীনা ইরাৎ থৌনিরবদি, তবীচৈবী ভেমথেং লৌনম্নবা তপুম্না, তিনসেংকাইসেংবা, লাইথাই তিনথাইবা ওইহুনা তিনকোক লাইকোকপা ওইসম্নু। ঙসি নবুথৌ ঐনা হায়রিবা অসিনি :—হায়রিবা ঈরাৎ থৌনিরোন অসিবু তৌরদা, নামু তাইমং অহুবু তিনকোক লাইকোকপা ওইহল্লবদি, খোইয়ুম লাই অহু, খোইয়ুম লাইরক চনলঙ্গী খোইয়ুম লুতিন য়াওদবা ওইগে. অহুগা নংনা সুবা নথুংহুনা থৌঙম্নবা, মরমদগী লৈবাক নিংথৌনা সকখঙহুনা, লৈবাক পুবা খোইয়ুম লাই তাইনবা ওইহুনা পুন্সি হুংসাংনা, তাম্হেং ময়ুং পাক্লা সাংনা নঙাক নঙাম চাউনা লৈয়য়ায়রেন্দা লয়ঙাক লয়পুত্তনা পাঙবা ওইরক্লো ।।

নোংদম অসি পীবিরগা অমুক হায়রকই :—তাইবং লঙ্গবা খোইয়ুম অহুম্নকা নখোয়না তাইবং খাই হুংজেং পিবা অমি মরানয়াইদা থিনবিরুরো। অহুগা খোইয়ুম নখোয় ৩ দি খাই হুংজেংবগী হৈনা মতং ইন্দুনা নংনা নংনা তাইবং থেমজোক্লবা থিরুবা মতমদা হান্না য়াথোক-খোঙদাক্লবা মফমদা লৈহুনা তাইবং খাই হুংজেংবনা থৌদা নোংদম্বা পুম্বা থবক পাংথোক্লবা তৌরক্লো" হায়না তাকপীহুনা খোইয়ুম ৩ গা লোয়ননা খাই হুংজেংবা মরানয়াইদা লাক্লুনা, ময়ুমদা মরম পুম্বা তমহুনা, সনাগী কাতি, লুপাগী কাতি, সেনগী কাতি. লাইগী কিরোলবু থুংসিনা শীহুনা লীইরা অম্বেং কংসগী তেংবাংনবা থৌসিন থৌবুহুমা লৈরক্লে। খোইয়ুম ৩ অহুনা মানা মানা য়াথোকঙমদা হনখিবা মফম লমদম অহুদা লৈদুনা, খাই হুংজেং পিবানা থৌদা নোংদম্নকপবু

মোৎসেমকপবু থোৌবুনবা হৌরদনা লম পুদনা লৈখি।

শাই সাংলেং পিবানা হুমিং কাপ্পা লৈতারোরবগীনা

মপাম থানিবা

মতম অসিগী নোংমা কোয়রো হুমিং অমা শাই সুংলেং পিবানা মাঙোন উখোংতেম্মা ওাদনা মরায় লুক্সা পাইমা থাখন তৌদনা ফম্বা উবদা৹ ইবেম্মা শাই লৈইরোরবীনা "কয়িনো ইবুংঙো। সুংসুক সুংজাননা অবাবা থাখন তৌদনা কয়ীরিবা অসিবু কয়ি তৌরবগে?" হায়না হংই মহুদা শাই সুংলেং পিবানা হায়:—"ইবেম্মা" ঐনা পাইমা থাখন তৌবদি৹ ঐবু ইখৌ ইথম কয়ি তৌসিগে৹ ইখৌ ইথম অমা পাংখোকজনা লৈবসি চুমজমালে খনবনি। অতুদি কয়িবু খোৌদা থোৌবুবিগে ঐবু লিক্লাং তেন সুবগী থৌবু নিংই। অতুদা ঐখোয়গী সুংকেপাং (নুংলেং মপান) অসিদদি যা হৌদবনিনা৹ লিক্লাং তেম সামবা ল্যাইরা, অমতং কয়াইদগী লওক্লসিগে হায়ন। মীং উইসীন্দুনা খল্লম্বুনি ইবেম্মা। অতুগী ওইরবদি ননাওনা লওজরুগে অবাবা পাইমা থাখন থনবীরুসগন। হায়রমপা মপামদা চাকনা মপা ফায়রনু লুখরদা যা নিরুবদা, ইযোম লাংলেন ইবেম্মা। নংদি নুঙোৎ যুসুক্ খওদে। অয়েম্বদা মাংহুনা তোরবদি, ইপাগী ল্যাইরা অসিদি য়োইয়েন খাবী লেংদা ভিন৹ অমাইবনা নপলোসিনু, অসৈ খোওকাং লেংনা ভিন লাংলেন কোয়াং থানি চৈথা হৌবা সোয়কদবা থায়েং থানি৹ লৈবাক অসিগীদমক ভাঙে, ইপা মাঙহল্লমরোই। লাংলেন নকোন্দদি যা পীমরোই

নরান য়াইদা হল্লো হ'য়রকই। পম্বৌ মপাগী য়াবা অসি ভাবদা ইকাই হুংসি য়ামহনা, মাইথোং লুপ্পা রাথল তৌহনা লাকপদা, মবুং কারন লমতাকপনা মচনগী মতৌহু উবদা "ইদানৌ কোন্দে তনৌবী। হুংস্নুক হুংজাননা লাকপাবু কদায়দা চৎদুরিবনো? করি ননিং থুংদবা, পম্বৌ পলেম উমরক্রা? ইবুংলোই পম্বৌগী মকমদা রায়েং রা অমতং নিজরুববু পীবিরক্হনা, কনাগী মফমদা রায়েং রা অমতং নিজরববুপী থিরক্হনা, কনাগী মফমলাংদা নিরগা কংগদগে হায়বগী পাইমা রাথন তৌহনা লাকচবনি। হিং করি রানো ইবেম্মা॥ ইচন অনি সুখম নম্ভনা, ইচয়া রা নিজববু পম্বৌ ইপাবা পীদব। । লাউ ইবেম্মা ইবুংনা পীগনি (মতম অসিদগী হৌনা) ইরাইদা হুংগৎপা, অহুগা থাংজদা রা য়ানবা অসি লাইগী চৎনবীনি) কুরুমচিং য়োইমরাই ভাউ-দনবনা সোংলেন ময়াং লাক্লচিংদা ফম্বা, লোই য়ারাকপা থোঙকেন থৌবনা খুদং ৭ হুইয়েন লাল্লোই পুং চিংভাংবা য়োংকী থেংহনা য়োংকী থেংগুম্বনা লমকনবা চিং, হংকৌবা চিং) থোংনাং কৌবা চীং, অরাং কৌবা চীং, নোংপোক কৌবাচীং, কৌবা মদাইমা খুনফম চীংনা ভাবা, ভাংজেং তান ভাবা, থাংজা বসিন নাইবা রৌথান তনং তনং পানবা চিংগী নোংবান মনিন নাইবা ভাংজেং পুন্সি লোক, থারৈ লেমলৈ লোক, চীংলেন নাপোম ১১ সুবা, অরাং লাইজা উয়াক ১২ না কোনবা চিংসাং তরা য়ান্দুনা পীগে, নথৌ নভম থৌভয়বা থৌবুবদা অরাংপা খুমক হায়রো লাউ, ইবুংগী হৈনা তং ইমকউ নানিং তমা লঙরো হায়না মচনবু পুরক্লো।থোইরুম লাইলান চীংগী লোকগী লাংলেন

কোংঘাং যানি বাযু মরোং ৯ পানবা যাবু য়ান্দুনা পীখি ।। মবুংনা পীবা যা শক্তু পুতুনা মপুক্রিং হৱাওনা মৱানয়াইদা ময়ুমদা হৱল্লে । মপাম যানি যাবু লংলা লংজিন থুপ্তনা. নিংখিবা যাওা তমতুনা মবুংদগী নিরকপা যা অতু খ্বাই হুংজেং পীবাদা পীরে ।।

খ্বাই হুংজেং পিবানা তেন কাপ্পা খুং চুম্বা পান্দম্বা

খ্বাই হুংজেং পিবানা বা অতু হজেন লোংনা তান খায়তুনা লিক্লুং অমগা, তেন ,থরগা সারে । খোয়াং অসি লোইতুনা খ্বাই হুংজেংবা অসি লিক্লুং পায়বা, তেন কাপ্পা অসি য়াম্না থরায় য়াওনা তমল্লে । মহাক অসি লিক্লুং হুবা, তেন কাপ্পা অসি য়াম্না হৈরল্লে । নোংমদি মখুং চুম্বা য়েংগে হায়তুনা সাবন লমথোকপা, কোংলো লময়েংবা থোরল্লে । লৈপুংগী মরুমদা থুপ্তনা সা লাকপা য়েংতুনা লৈরকই । সা অমত্তা লাকপা লৈত্রে, হুমিং য়াম্না থেঙলল্লে, মতম অসিদা মদাইরেম লাইরেম্বী অসি ঈসাইফু অমা পায়তুনা লাক্লগা ঈসিং সোক্তনা লরাই - কোইরেন থক তম্না থোঙংলকই, ঈসাইফু অতু ঈসিংদা লুপ্তনা ঈসিং য়োকপা অতুগী মখোল তাবদা, সন ঈসিং থকপা মখোন ওইনা তাতুনা, তেঙ্গা থোংতুনা তেন কাপলক্তনা ঈসায়ফু অতু ময়ায়দা তংবৎ ককথৎতুনা লৈপাক্তা থাদরে । ঈসিং অতুনা কোকথঙা পুম্না তাবদা খঙতুনা অকিবা অনিকপা খোল্লাওনি লাউরকই ।। খোল্লাউ অতু তাবদা ইকাই তুঙ্গুং ওইতুনা খোক্তনা ; হুমিন্না শায়োনা লৈরে । মদুদা ইবেম্মা অসিদা য়াত্নৌ - আম্না কনানোৎ বলী মখুংতুনা ঐখী ঈসায়ফু

থুগাইক্লে ঐদি লাইর অমেং কংবীনি, অনীসুনা লৈকবসু নজদে ঐগী ইসাইফু সিংবীরো, হায়না লাউরকপদসু মতৌ য়েংয়ে হায়-দুনা তুমিন্না থোকতনা লৈথাক্লে। মতুদা সাউদুনা য়ারৌ লুম্বা মহাকপু ঐনা হায়জবা অসিবু তাদদুনা তৌত্রা ? তানা তানা সুগীজানি কৈদোবা ওমলোই মতু সোল্লী হায়দুনা লৈথোকপ-মকতদা ওইরবদি, ঐনা লৈমা ইনাংমকতদা কায়রকত্রবদি ভাইবং নংগী নখুৎসু অদুগী হাকতকত্তা নপুক্লিং অরাবা ফংদুনা, লৈবাক রাথোক ওইদুনা অওম্বা থোওদা য়োবা ওইরো "মা অসি হায়রমগা মফম অদুদগী খোঙ্গাপ নারৈ হুল্লক্লে। মতম অদুদা খাই সুংজেংবনা থোকবা য়াত্রদুনা সারাক হৈবা সাগী মতৌগুম্মা মদাইরেমগী মাংদা চোংথোকতুনা, মখুৎ তিংথোকতুনা থৎলগা হায়:—ইসানৌ ইবেম্মা সাউমনগ্রেনা, য়ারৌ সানা ঈসিং থকপা ওইরবোই খন্দুনা কাপ্লবনি, নংগী মীচৈ অদুদি ঐ মাওবা তাগ্রে অদুকত্তা কোক-পিরমথো ।। চুমদেদা ইবুংঙো, হায়দোকখ্রবনিনা পুমকোক কোকপদি য়ারোই। অহানবদা রাথোক চাউবা ওইরগা, মতুংদা নিংথৌনা সকখঙ মাইখঙদ্রে, নিংথৌ ওম্বা অওম্বা ওইদ্রেনা সুংওাই য়াইফনা পানবা ওইগনু "মারম অসি হায়নদ্রেনা মথোয় ২ মক ময়ান য়াইদা হনজিনদ্রেনা চিংনবা লৈতনা লৈগ্রে ।। নোং ওান্নগা মদাইরেম লাইরৌরেম্বীনা কৈবাক লং থাংজিং তাদ্রেনা লৈ ।। মতম অদ্রেদা খাই সুংজেংবা অসি লিরুংতেন পায়দ্রেনা হিজোম্বা কোয়না চৎলম্বদগী, হিঙ্গোন চিথেকতা লেপ্রেনা কৈবাক থাংজিং লং অদ্রেত্মা জেন কাপ্লকতুনা, হুকচাং নৌকহন্দনা লং অদ্রেতা করুথংলগ'," লাইরৌরেম্বীগী মমাকতা য়ুংদ্রেনা লৈরে।। খুদক

অহুদা খংদহুনা লৈপাক্তগী চেংখংলি। মহুদ খাই মুংজেংবনা চেনসিল্লক্লবা মদাইরেম লাইরোরেংগীবু কোনখংতনা নোক্লবা খেমজিল্লি। মতৌ অসুম্না অনি অসি মুংভাইনা লৈখি। মতুং নোংমা অমদা লাইরোরেম্বীনা তরা চাক থোংহনা লৈ। মতম অহুদা খাই মুংজেংবা অসি মপান্দা থেকব্রগা, লিরুংতেন পায়হুনা মদাইরেম লাইরোরেম্বীগী মনাদা খেংলিবা চোমনা সাবা লৈ অহু ককথংলি। মতুদা ইংক ওকক্লনা খংহনা হন্না য়েংথোক্লকপদা খাই মুংজেংবা অসি নোক নোক্লনা চংলকই। মতুদা মদাইরেম ইবেম্মনা হায়রকই। করি মতৌ কৌবগে ইবুংঙো, নহাকী তেন সিঙ্গম্বা অসিবু ননাও ঐঙোন্দ নত্রবদি মকম অমা অমদা সিন্দম্বা থক য়াত্রবা? ইসানৌ ইবেম্মা ন্নারোম্নু, খঙহন-উহন্নিংহুনা তৌবনি। ঐখোয়না লাইরা অয়েং তারকপা আস মতম কুইরক্লে। কোরৌ হয়েংগী নুমিত্তা ন্নারৌ তানবা চংলগে তরা চয়োম খরদং য়োম্ম্ সাবন লমথোক্লনা সা লুম্মগে" ন্না অসি হায়না মদাইরেম লাইরোরেম্বীদা কোন্নোয় সিম্বা তাকপিখি।

খাই মুংজেং পিবানা সাদানবা চংপা

মদাইরেম লাইরোরেম্বীনা সালেম অঙানবদা মরানয়াইদা থোক্লমখিবনা তরা চাক থোংহনা চৈংমিং য়েংহুনা মথেন লুকোই সেম্বা লুকোই লোইরহুনা তমলেব চয়োম চংমিংপু হায়রমই। "মনাওনা চাকমিং য়েংবদা অকবা খুদম পীরমই, মতিক মঙান অচৌবা ওইথোক্লত্রবা য়ান্নৌ অমদি সোয়দনা কংগদৌরি" হায়রম অসি হায়হুনা তরা চামিন্নবা লোইহুনা, তরা চয়োম পুরবা,

য়ারৌ সাদানবনি হায়দুনা মাগী য়াঙ্গোই খোঙনেৎ সাবু তোংদুনা মরানয়াইদগী থোরক্লে। পংথাপ থাপনস্থু চত্রি, থোরকপদা মঙায়রি। মতুদা থাপ্পা চংলুদুনা করিবু কান্নগদগে, মদাইরেম ইবেম্মনস্থু মতিক মঙান চাউরবা ওইথোকখবা, হী-য়াই পুবা সা ১ সে'য়দনা কংগনি হায়রি। কংগদবা লৈরবমকতদা বাহন্দুনা করি কান্নগদগে হায়দুনা, লৈবাক নোংথৌ তুব উয়ুং মথোঙগী ময়াদা লুমহনা লৈখি। অহিং চুপ্পা তুমদনা য়ারৌ লুম্ববু য়ারৌ অমত্তং লাকহুনা মফম অতুদা লানখিবস্থু উদে'। তুমদবগী মসা পুম্বা তুমনিংবনা তুফক তুফাই চন্দুনা মম্মিৎ উইরুম উইরুম চৌদুনা লৈরকই মতম অতুদা নোংপোক চিংথৈ ফিদুপ ৩ না হুল্লক্লে'। ইমুং সোরা তৈরক্লে। কাকী লাংথাউ চেন্দুনা নোংঙান য়াইফবোন তেংথারক্লে। মরিং য়েনবা খোঙনেম্বা য়েনস্থু লাবা সিংনা থাঙেন পাবন থকতা তোংদুনা নোংঙান পুংলুপ ঙাক্লক্লে। থুদক অতু মফমদা নোংপোক চিংথৈরোন, মুবা লোক্লৌবোন সম্মা চিংলোম-পোকতগী সনা খোম্মদোন অঙোনবা মালেম অঙামবা প্রুমিংঙা তাইবং মালংপানববু নোংঙান সিম্বা পাম্বগে হায়দুনা অঙাক্পা খিং খিনারক্লে। লোইবী চাংদোনদা হাওবা পামেন মকাম্বী-মন্নকতা মালেম অঙানবনা থোরম্পা অতু উবদা। পাইবা মুংমৈং শিবানা, লোইবী চিংদোম্পোক অর্সিদা হি য়াই অমা থোরক্লে। অতুনাদি ঙসি ঐনা সাতানবা লাকপা অসি হী-য়াই অদিমুং কাবা ওরব। হোৎনগে হ'মজা পান্দুনা, য়াঙ্গোই সাম্বৈ তোঙ্গদুনা লৈরাংবা অমখী মন্নমদা থুরক্লা। লোইবী চিংলাম অমদা পুমিংনা লৈরে। অতুম্না চোলনা, মালেম অঙাবদা মোহুখাব পাইবাউ

মতমদা য়াঙ্গোই সাগোলগী চুপনি খুজি য়ৈখততুনা মালেমদগী নোংথৌরোমদা হাইগৎলক্লে ।৩।।

খাই মুংজেং শিবানা মুমিং কাপ্পা

খাই মুংজেংবগী থৌরাং অসি উবদা মালেম অঙানবনা "হিঃ করিনে' তাইবং অসিনা ওইথোকতবা লাংওন অমবু তৌরকইবা অসি কন্নি মরম লৈবনো। হায়না হাখল তৌরকই। উম, মসিদি মরোং অমনিনা, থম্নস্থ য়ারোইদৌরি। অদগী মহাক অসিনা ঐগী ইনাকমক য়ৌনা লাক্লবদি, মসি সোয়দনা সিবা ভারি। মহাক অসিনা সিদনা মাঙগ্রবদি, মদাইরেম লাইরৌরেম্বী অসিনা মপুরোইববু (মতৈ ইবুংঙোবু) মকম খংদনা মাঙথে চায়দনা অহিং মুংখিল নাইদনা অতৎপা লৈতনা খোঞ্জেল থোক্লা কৌদনা কপ্পা পুন্সিগী অবা মতম ঙাইদনা লৈরকপা অদদা। ঐনা করম্না য়েংগনি। মদ ঐ য়েংবা ঙম্মোই। অদনদি খাই মুংজেংবা অসিগী পুকচেল, মথৌনা অসি কমদৌবগে য়েংদম য়েংখিগে। লৈপাক অসিগী হারিম্নু ওইহৌরসম্নু" হায়না খন্দুনা, মালেম অঙানবনা মহাকগী মহাকা চপ মান্নবা সগোলভোংবা সকতি অমা পুথোকতনা লমখাংদা খাই মুংজেংববু থত্তনা লৈরে। খুদক অদদা খাই মুংজেংবনা নোংথৌ লমখাংদা য়াঙ্গোই মথকতা লিক্লং খুৎপায় চেৎনা পায়রগা ভেঙ্গোং থাউদগী অথৌবা মঙান লৈবা ভেঞ্জৈ অমা সংতনা "হন্নি লাইবা সোনদনা তেনগা খোংদনা ভেন কাপকদবগী থৌগ্নাংলে। মদ উবদা সকতি মুমিংনা হায়। "ঙাইথো খাই মুংজেবা "নংনা ঐঙোন্দা তেন কাপকদৌরিবা অসিবু

পুম্না মৈহোৌবা

নঙোন্দা ঐনা করি লংজবা লৈগ্রবগে। অদুগা ঐঙোন্দা তেম্না থারগা নংগী করম্বা মুংঙাইবা, তোংজবা লৈগদগে অদুদুম হায়খো। য়ারা অসি তাবদা খ্বাই মুংজেংবনা খুমই। মালেম অঙানবনা ঐঙোন্দা কৈদৌদে অদুগা মালেম অঙানবা মায়া ভৌদুনা য়ারৌ তানবা লাকচবা ঐবু ছী-য়াই থোকপগুম উহন খলহন্দুনা ঐগী য়া-রৌ তানগদবা মতম হুওহনখিবা অদুদা ইপুক্তা তাথীদুনা, মালেম অঙানবা নহাকমক্তা কারগা ঐগী লাইয় অয়েং তাবসি কোঃরগে, হায়নবা কাপ্তনা কাগে তৌবনি।০।

"খ্বাই মুংজেংবগা মুমিংকা সগোন য়াংবা তান্নবা লমগী মমিং থোংবা"

"ফরে ফরে অদুদি নংগী তেন অদু হনজিল্লো কাল্লিগন্ন। ঐ অসে সিদয়াই- নাদয়াই পুরিবা লাইনি। অদুনা নংনা ঐবু তেম্না কাপ্পসু ঙমলোই। লমজেনদুম তান্নসি। মদুদা নংনা ঐবু ফাবা ঙমজরবদি, ঐগী হি-য়াই অসি নঙোন্দা পীরগে" রা অসি তাবদা য়ারদুনা মালেম অঙানবগা খ্বাই মুংজেংবগা সগোল লমজেল তান্নখি। অনিমক্তা সগোল লমথা মফম্ম হৌজিক ফাওবা লৈরি। (সগোলপুং) সওবং কৌই। খুদক অদুদা খ্বাই মুং জেং শিবানা মালেম অঙানববু ফারে। মাদুদা সতৌ য়েংগে হায়দুনা মালেম অঙানবা সায়োন অমা ওন্না মাঙথোকখ্রে। মফম অদুবু সগোন "কামাং" (সগোন মাঙ) হায়না খঙনরি। খ্বাই মুংজেংবনা সাউদুনা মাইকৈ ৮ মক্তা কোয়না য়েংলকপদা নোংথৌ থক্তা সগোন ভোংদুনা চৎপা উরে। মহুদা মপুক্তা তাথীরে।

"ঐগী য়াম্ন হৈদি কোরৌথক্কা চৎপা ওয়োই হায়দুনা ভৌরিবোইরে" হায়দুনা, মালেমদা সগোল থৌরগা নপা য়েংদুনা মখুৎসু তেম চীংদুনা কাপ্লক্লে। তেন অদু মালেম অশ্বিনবগী "সক্তি ওদদা পানখ্রে। তেন থাদুনা পানবা" লমদম্ (তেন্থাপুং) হায়না কৌই। সগোল থৌনা থৌনা মপাদা থাবা তেমবু সতোক্লগা মাগী মাংফদবা তেল অসি কৈথৌরবদি লাইগী লিক্লমস্ম। নমু অটবংগী চৎনা লমদাং পুক্লক মাংবা তারেন হায়দুনা। থুদেকদুনা লংথবক্লে। লংথবকপা অতেকপা তেম্না তাথোবা মফম্ "তেকথাপুং বৌই। থৌজিকফি তেকচম" হায়না থংনরি।।

থাই হুংজেংবগী মাংফরবা তেন্না থাখবা অদুদা কোরৌ-থকতা লৈবা যারকত্রকুনা মালেম তম্না হাইথরকদুনা লোক চিংয়া অমদা তারে। অদুদগী মফম অদুগী মমিং (কোলোই) "ররাঙ্গিং পুং" হায়না কৌরে।। থুদক অদুনবন্দা অমুক মাঙ-খিদুনা লাইজা হবেমদ, [illegible] ইম্না, মঙ [illegible] ইবা অমুদবা তাউজং অমগী মসক [illegible] চথরক্লে। মরম অসি থাই হংজেংবনা উরদুনা [illegible] থোৎখিদু-না [illegible] হরাং সাগ্নেনবু লোকদুনা [illegible] যাবদা পুথক্লে। মফম অদুবু "[illegible] পুং" কৌখি। [illegible] হায়না থংলাখ। [illegible] অদুবু পুরকদুনা [illegible] পুম্বা [illegible] লাইরৌরেগী মফমদা তম্না থোক্না তম্জাখ। অদুগা য়াক্লরে, অদুবু অহিং চুম্না য়েংদুনা লৌখ। [illegible] তাবদগী [illegible] অমহৎকবগী [illegible] চেঁদুনা [illegible] কৌরৌ

[illegible]থকা থোকপগুম্মা . ইকবা, মজাম্না ইকয় [illegible] [illegible]দুনা লৈ ।। অদুদগী, ইনুং লোইবা [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] থোকপগুম, মৈরুল অচোবনা থানবগুম্না মীনা[illegible] [illegible] [illegible] ঙাপ্‌না, লৈরমই । হৈরাং অসিগী মতীক ময়াই [illegible] উবদা অঙকপা মসক অমা ওইতুনা, মখোয় [illegible] খদৈ [illegible]. হৈরাং অসিগী মতীক ময়াই অসিবু করিনো । হৈরাং অসুগা ওইবগা নং, ঐগা চাথোকখ্রে, মতুংদা মসক উবনু ফংলোইদ্রোরি । অতুগা য়োম্থোবলুরে হৈরাং অসিগী মমল্লা লাইরুবা, কোক্কবনু য়ারোই ।।

খুঁই নুংজবনা 'নিংথৌদ' উহৈ কুৎপা

অতুনদি "হৈরাং অসিগী মতিক মঙান [illegible], [illegible] চানবা ওইরসনু হৈ অসি ঐখোয়গী নিংথৌদা কুৎলগা, নিংথৌনা করি তৌরকপগে হাইবা অহুহুম য়েংসি" হায়না [illegible] লৈবাক নিংথৌ ফম্বাল্লাংবা (দুরবার) মীফম মতুংদা হৈ, অদু পুরকনা নিংথৌগী মফমদা কুচ্চুরে । উহৈ অদুবু উবদা, নিংথৌ [illegible] লৈবাক প্রাজা পুমনমক ঙকহুনা মিংফম হোংবা য়াদনা য়েংহুনা লৈনরক্রে । করিনো উহৈ অসিদে "করম্বা মসকী, মচুমচু-মরোং ওইরিবগনা । নিংথিজদা, ফজদা, য়েংবগী পেনবা নাইদেদা হায়হুনা কুয়ৈ য়েংবগুম্না য়েংহুনা থম্মহুনা লৈনে" ।

শুমিংপু থাম্পুং মিংথোনবা

খুদক অতুদা নোঙান পাওজেন হৈবা চেক্রানা, য়াম্না থোথোক চাউনবু অয়ুক্কী য়েন্দা অঙনবদা নোংথৌ থক্কা পায়হনা। কাকী

লাখাউ চেংখ্রে। হে ভাইবও মীওইবও "উহৈ অছু শিনখাই-
নামখাই থৌবা অহুনী মহয়নি। মখোয়া লুনা চেকসিন্না থাজৌ,
লোয়মনা মহুম য়াবগনি। মেখেলোম, ওইরোম ২ দা মহুয়
দনি য়াখকনি। মালেম অঙানবনা কোয়ৌ লোংথৌ থকুগী
দয়ত্তাপ্রবনি" "পাউজেল অসি তাবদা মিংথৌ, অঙম্বা
য়াখাসিন্না হৈয়াং অছুবু য়াম্না চেকসিন্না মেখলানা থাজবদা,
তাউভিং মৱোন চোংহুনা, পায়েন মউ, মসা মবাত্তনা, মউ
মপুং ফারকদ্রুনা, মালেম য়েৎলোম ওইরোমদা নিংথিজয়বা ২
পানরে। হৈয়াং পারে হায়দ্রুনা লৈপাক মীয়াম চংদ্রুনা য়েনরে"
অয়ুক অঙনবদগী য়েৎলোম থংবা হৈয়াং মাগী মঙাম্নামৈগুম্না
শাদ্রুন মবাক মকপা ওয়খিজ্রে। হি য়াই থোকপগুম্না ইলং লংবা
মঙাম্না মিংচানবা ওয়খিজ্রে প্রজা পুম্বা ওক্লদ্রুনা চাগনি-থকনি
থঙনা উহৈ অদুগী মৱোং মতৌ য়েংদ্রুনা লৈনয়কপদা, য়োই-
ময়াই মালেম অঙামবনা মরানয়াইদা চংখিবা মতম অদুমক্তদা
উহৈ অদু লৈপাক্তা কেন্দ্রুনা তায়রে। উহৈ কেনখ্রে হায়দ্রুনা
উপাল মবাকত্তা চংদ্রুনা য়েংবদনি, মফম ইথও থঙহৌদনা অদুম
মাংখ্রে। অয়ুক অঙনবদগী হুমিং থোকপগুম্না ইলং লংনা লৈয়মগা
মাংথি হাইদ্রুনা মফম অদুবু "হুমিং পুং" হায়না থোনখ্রে ॥০॥

হুমিং তাপ্রবা মতুং অদুদা ওইদা পানবা উহৈ অদু
লোইদাম থাজ থোকপগুম্না ইলং লংনা লৈয়রে। মতৌ অদু
উয়দা থাই পুরা ইঙক গুরুহুনা, অমম্ভু ইলং লাংনা পানরে

অসিমনা অমুক কমদৌরিবনো ! মসিদগী অরেপ্পা মকতা মথঙ্গসি হাঙ্গহুনা অহিং চুপ্পা অহুম য়েহুনা লৈরক্লে। নোং হেক ভানবগা উহৈ অহুনু লৈপাকতা কেন্দুনা ভাঙ্গগা, মফম অহুদা ইখত খঙ্- জৌনা লাওঞ্রে। ছিঃ উহৈ অসিমনা লোইদাম থাজনা লাংওন তৌরম্বা ওইরে। হায়না থরহুনা মফম অহুবু "থা পুঙ" হায়না মিংথোন্নগা পুঙ অমা থোন্দুনা মফম খংনবা থমব্রে। মতৌ অসুম্বা নুমিৎ পুং, থা পুং হায়না মমিং থোন্দুনা সিদবা উপাল থাবদগী মফম অনি অহু পুথোকখি। মতুং অহুদা নিংথৌনা খাই নুংজেংববু কমথোন চাউনা হাপতুনা মনা মথুম পীহুনা মমুম ফুনাল লমদগী কৌখৎহুনা, কংলৈপুংদা "খাই নুংজেং হাওজোং তেলহৈবা" কৌনা থমলে। মাগী চাদা বাওদানা পুরোলনা লংবো চকতা (ফুনাল তেলহৈবগী মরুপ ওইখি।) খাইদা লৈকবি হাইবদগী কংলৈ নুংজেংদা মহাকথকতগী পুভম মিংথোলখি হায়হুনা হাওজোংচা কৌবা চিংদা লৈবা অহনশিংনা "খাই নুজেং শিবা হাওজোংচা" হায়না মিংথোনহুনা নুমিৎ কাপ্পা পুয়া অমা লেমব্রে।

নুমিৎ কাপ্পা চুকসারোন থৌরম

বারম হায়গে :—কংলা কোয়ুংদা অবাংবা ওইহুনা লৈম- সিংগী মকোক ওইবী খাইগী অহনগী কমবৈ কবী। ইয়াম্বং অমা থম্না কোম্না পোকপদি য়েরুম্বা রেনমচা ওনবা ভমদনা কাংবঙুম কংথরে। ময়াম্বং অহন ওইবদা য়োংনচিংবদা কাপকদবা তেজা কাম্নীরে। অমম্বা লোকত্না মী য়াম্না ভাদবা লমদা নিংথৌ মাঙ্গী মন্ডিক মঙান চাওনা তুমরে। নুমিদাংদদা থবক থৌরম

খোয়াবা নিংথৌদি পারী পুন্নীদগী হৌনা নিংথৌ ওইবীদুনা মতিক ময়াই উৎপিরকপা নিংথৌদি অত্তোপ্পা লমদম অমদা। (নিংথৌনা দুবা মকমবু কংলাগুম অমাংবা ওইনা লৌদুনা হাইবনি) অত্তোপ্পা নিংথৌনা তুবা য়াবা মকম অমদা। নিংথৌ ওইরগা এসে হনবা ওয়রোই। অনৌবা মরৈ থাদুনা কাপ্পা তেমচু নিংসিংবদা ফু চুংনা কিজে।। নপু ওইবা এদি মীওই মপোক হনবু হন্নক্রোইঐ।। মীয়াম তিনকম কংলা লৈবাকনু কাকরগোই। এনা লৈরিগা মীয়ামা থংবিরবা লমসিদা অমুম লৈবগে।

খৌপুবা—অমাই সংলেন ২ খাবী মাইবী সংলেন ৩ অসৈবা লৈনা সংলেনা সং অহুম অসিনা মখৌ য়াজেনগনী।

মতৌ অমুম্না লৈরবদা, খুঙং, কৈরোই লৈকাই পুন্না য়ুম্নান খুনথান ওন্নদুনা অমম্বাগন্না লৈরদুনা, থন্নান থাদা তমিং য়ুরান লাইকগমগা হন্নান চিন্থি য়াম্না কল্লে। চীং মান্দা লৌক তাইদা উয়ানবা লৌউ সৌউনবা মাঠিক থিবা চৎনদয়ে মতম্দৌ।

লৈবাকী অওম অথৌ ময়াম পুন্না রাতানয়ে। লাইনিংথৌগী থন্নাই য়াইবীরেনবু কৌদবা য়াদে।। অহৈনদি ম্রোইরাংগী লোইয়েন খুন লোকপুং লমদমদগী লাকপীরো, লৌইবিন লমকগী য়েঙলকলো, ম্যাথং হৌক হাই ওন্না নিংথৌগী মকোম ইবেম্মাই মচিনবাল মিনং য়েঙলদুনা। ওকসম থকিকং পৈরপ ত্তোরদনা পেনা থৈয়রকপগা থুনা য়ানকে পেনা খোংল খোংলুমনা। খোংনবা শুওনাইনা মখোন খোকপদা,রেনগী খোম্থাং মায়েবা অমুক অমুক খোংরকপগা নিংথৌ অদ্দু কাগুৎলকে। অহিংগী মতম লোইরনা অম্মগী

মতম ওইরকপগুম নিংথৌনা মতিক মঙান নাইনা লেঙথৎলক্লে। মোইরাং লমদা পালুবা নিংথৌনা মত্তিকময়াই চাউনা। নিংথৌ গী য়াকাইরোল সকপদা, থবাই য়াইবী য়াওনা। হায়াগুম কংলা নিংথৌনা মঙাম্নাইরকক্লে। মতম অসিদা নিংথৌগা, লৈপাকী থাম্নগদবা বাফম (সন্ধি সারিনরে) অমাইনা কোজেম, খুয়োনগী মাইসা (মরিং মাইবনি) তাইবং পানবদা থাক্লিবা লাংগী মরম সকপা, খুয়োন মাইবনা হৌরক সাংলকপা লৈসকপা। সুংজেংগী ঈসিংনা ইরু মাইজেংবীরে।। তেংবানবগী মপু সিদবা লায়লেনবু থৌনিজবা, তাইবং তইবা এথোইনা নকসিনবা য়ানবা, নাহৈ নাসেং বীরে ঈরীক ঈসেংনা ।।০।। নাহৈ নাসেংবগী মিংজেনদি হাপচরে।।

চুকসা মোইথেমগী ইরাং থৌনিরোনগী পোৎলম হায়রগে।।

লাইগী কম লৈ অমা (২) থাকব ১০ (৩) চুকচিবা অমা (৪) লাইগী কেজোম কোইয়েৎ ইরাক। লাইরোৌগী কক্কে কিমুর ১ খুংজেং ১ ইমারি ১ লকোই চং য়োকপা ৬ মা মঙ মনা ৬×৬।। চেং কৈ কৈ, লাংথৈ কোনবাই, সনা সুপা অসিনাচিংবা লসিংনা তাবা থিগী মৈরা কংকুক্লি।। অদুনা লাইগী ইরাং থৌরম পাংথোক্লগা, লৈথিরেবা তাইবং অমুক থবাই য়াইবী, হৌরি তোংদম কাননা ইকৌবারগা, হুইরকচাকা তিনজবা, অতুগী নমু তাইবংনা মীয়মলেম্দা লৈবা অসিনী হিরথাসিন্না।।

অতোয়া, অমমা থাই জুইজেং পিবানা, য়োইমমাই তাওনবু কাপথিবা মকমদি তেহা পু তেন সংতুনা থুদেকনা

লংথরকপা অতেকপা মফম্ দ্ তেকথাপুং হৌজিক্না তেকচম কৌই। তেন্না থাখিবা থরাই য়াইবী অরংবশু, অরাংবাদা লৈবা য়াদ্রবুনা চিংয়া অমদা তাঁরে। মফম অদুবু বাংজিং পুং হাইনা কৌরে থাই মুংজেংবনা অরংবা থরাই য়াইদো মাংখদৌরে হাইনা সোই নপতুনা লাইজা ইরোমদা তাওরক্লিবা হৈরাং অমুনবা তাউজিং মাবু, সগোল থৌজিল্লগা, হৈরাং সাযোন্‌বু লোয়্‌না মরানয়াইদা পুরক্লে।। মফম অদুবু হৈরোক অসি লৈবনা, চিং য়াই লাংনবা থৌরম্না হৈরোক্না মরু ওইরে।।

(মাবুখিব নিংথৌ)

মতম অসিদা ঙা নিংথৌ মহেন্দ্রিনা "মবুখিব" হায়না মিং থোন্দুনা তাইবং পানবগী মপোকতা লাওন্দুনা থোরক্লগা কংলৈ মুংনাংপান (তোলোংগিরি) কৌবা লৈপাক অসিদা নিংথৌ ওইদুনা; লাইরেমা চংথাম্নু খারোনি যুংলৈমা" কৌবীবু পাম্নদুনা লৈবা মফম অদুবু "খুরায় অহোংসৈ" হায়না থজনরি। মহাকথকতা মুংঙাইনা, অহোং অচাউনা, অবংগ অপা লৈতনা চহি সাংনা, পুনসি মুংসাংনা নিংথৌ ওইদুনা পানখি হায়দুনা লৈথাক অসিগী তাইবংসিংনা "অহোং নিংথৌ' হায়বসু হয়নৈ নিংথৌ অসিনা লৌ উবা ইংখোল কোইবগী থবক অসি খুং- লৌইবা অমা ওইরমই। মুম থম্বদা তাইবংসিংদা নিংথিনা তম্বীদুনা, নিংথৌ মসামক য়াওনা লৌ-ইংখোল সুদুনা মরক মরৌই চঙখোম্না, বাক্তন কংনবা হৌদোক্লে। মতু অসিদা মবুখিব বা সিংথৌগী থৌজাপগী খারোনি মুমলৈমা লায়বাক মুমরেম্বী

ওই) খারোনি লৈমা মমোম লাংলেন অনি (২) পোক্লেং। ওইগী লমদাংনি সুমা খংনৈ ॥ মমোম অকুননা "সোবোন লাই- ব্রেরী 'কৌই" কোলোই মিংথোক্লে। কোন্দে লৈনা ছুজবী মমোমা সনা থোংনাং লাইব্রেরী হায়না কোলোই মিং থোক্লে। ইসানৌ ২ অসি সিংলে লৈকা ফম্না চেংলৌ হেমবী লৈরাং পান্দম ওইনা, পাংজে খেংইমু খোন্দানফম পুক্রিং ইরাং হওনবা সকুমনা ভাংহোইডুনা, মনিং তমনা পলেম পম্খৌনা কেন্না মৌনা লাঙ্গান্দুনা চহি মুংসাংনা পম্খৌ পলেমগী মসাইকোন্দা লৈখি।

(সোবোন লাইব্রেরী, সনাথোংনাং লাইব্রেরীনা খাবৈ লৌয়ানবা)

কোরৌ নোংমাদ মবুধিবা নিংথৌনা মমোমসিংগী মতৌ য়েংগে হায়ডুনা মমোম অনিনী মফমদা কোলোই সিম্থা পীরকই পম্খৌ ইপাগী লাংলেন অনিমক "ইভা কুমজাগা তম ইভেল কুমগা খাইনা নোংদম কুং তাথরেদা" পম্খৌ ইপাগী অহোং লৌরুকোন্দা খারৈ লোয়াম্ন ॥ পনথৌগী কোলোই য়াথং তাবদা মমোম অনিনা কোরৌ নুমিৎ অফবা য়েংডুনা খারৈ লৌয় নবা চৎলে ॥ মতম অমদা লমতাগী ৫ নি পানবা নুমিৎতা লৌ তানৈ। মসিবু লাই লৌতাবা অমসুং লাই কোরেন নুমিৎনী। কোরৌ নুমিৎ অফবা য়েংডুনা খারৈ লৌয়ানবা চৎলে। পনথৌগী তেন্না অচৌবা বারুকোৎ চেংজা য়াকাকপা থৌরৈ মু ডুম্বু পায়ডুনা, নুরা খাংজেং, মচিনাং পোরোং অাতা সমক্লে, কৈথৎ মারু কল্লক্লে, তেংপাক লানু তানক্লগ সাম্লৌ মচিন মনাওনা খারৈ লৌয়ানবডুনা, নুরাকুমেকু খোবাও মৈবা চিং,

হকচাং তুখোঙ খুদিংদা, হুমাং ইরিক তারকপন', হকচাং পুম্বা চেংশিহুনা, খাংজেং চরৈ কাওরকপা ; স্বোরগী মিহুন খোংদোই মুইনা ফুইনা হোন্দুনা অম্বা পোথানবগী লিরোন তানবু ওইনবা, স্বোরগী মিহুন ভুইন্না ইসৈ লিরোন সম্বন্ধে ।।

ইসৈ লিরোন্দি : হা ইপু মেক্রোকপা ।
নংনা য়াঙ্গেন য়াল্লুবা, ।
য়াঙ্গেন চোইনা য়ানবনা,
চিংদা রেংলে নাতুম চারে,
তমদা য়েংলে কৌনা হোংলে,
অম্বিবনা সোইদোক্লা,
অনৌবনা চাসিল্লো,
হাওগী ইংখোল চাইগোইহুং,
লফু লাংগুম মণ্ডান নাইদে,
সং সংক্রো
সংক্রো পিল্লো সংক্রো কা
বাইরৌসে বাইরৌসে,
চল্লা ল্যাংমৈ বাইনৌসে ।।

মুরিংপু লাওরবা

সং সংক্রো
সংক্রো পিল্লো সংক্রো কা
বাইরৌসে বাইরৌসে,
ইপু মেক্রোকপা হৌ হৌ,

লোজিয়া-লোইজিয়া
চিংয়া পক্কেন রাইনৌসে,
রাইনৌ কেক্তা অমুন হৈ
মায়েমহানা চাক হৈ।
প্যাকগী মীগা,
ছিঙ্গোল্দগী সনগা
হা মী মীরো রো
কাঙ্গন ভারো রো।
সাবন লমথোকসে,
কোলৈ লমযেংসে।
যোই যাস্ত য়াকম অঙানবা
সনা খোমদোন অঙোনবা
মাহচৌগী লম্ব তরানা,
হিরি তোংদম ফান্দনা,
অঙাং খিং খিং খিংখাবা,
অঙাং নরা ওইবনা
কাংলৈ কাংহু হায়তুনা।
সোরোক য়াঙবী মথক্তা
কোয়না চেম্যা সাম্ববা,
নরাশিংগা পান্দনগে,
খিং খিং খিংখারো,
হা মী মরোরো,
কাঙ্গন ভারো রো।

সে সে ঋাইনৌস,
চক্লা লাংমৈ ৱাইমৌসে ।।

ছায়না খোঙ্খোক ইপোয় চাউনবু ঔরেপ্পা লৈতনা সক্লকই। ইসৈ লিরোন অসি তাৰদা য়েমখাই মালেম অংানবা ভুমিং সনা খোম্মাদোম্না কোরৌ নোংখৌ থক্লা থাংহনা লৈবা ঙম্লক্লহনা য়াঙ্গোই সাগোল থামহনা মালেম লোমদা য়েংথরকপদা, মচিন মনাও ২ না থাৱৈ লোয়ানবহু উবে। মহুদা মহাক্নগী লাংঙন সক্ষি অমা পুখোক্লগা, য়াঙ্গোই তোংহনা মালেম লয়দা কুয়ক্লগা, লাইৱেঙ্গী অনিগী মাইকৈ ভয়া কুহুক কুহুক খোরক্লে. ইবেম্মা অনিগী নাক্লা চংলক্লনা হায়রৈ "খোইনৌ ইবেম্মা ২ মক" কোম্লোই অমত্তা হংজগে। মালেম অঙানবা। কোম্লোই পাউতাক করি তাকপীগদবা লৈবগে? ইসানৌ অনিমক্লা অয়ুক য়েন্দ-মঙাংগী পুংকম অঙনবদগী তরা চাকঙন চাহনা নপনগী লোক্লকেন অসিদা খোক্লনা থাৱৈ লোয়ানবা অসিবু কৈথেং মক কক্লকপা চেংপাক লালু সাথিবা য়োংলৈ কয়া হুরবগে: ৱাহং অসি তাবদা মচিন মনাও অনিমক্লা পাউথুম কোম্লোই ঙক্লনা তাঙজা ময়ায় দুক্লনা খোঙবী লয়দা উক্লনা পাউৱৌ পাউথুম ঙমদহনা লৈরে। মতৌ অহু উবদা য়োইময়াই মালেম অঙানবনা হায়রকই ইসানৌ ইবেম্মা অনিমক খোয়নৌ মখোকাব, লৈরাং তোমথিন মমা কমা সাংকুৱী: পুক্লীং ৱাথল পাউথুম থনবিহোয়ো-হয়েং মঙাংগী মতমদা ঙাৱী লাকচগে। পাউথুম প.উ ৱী তাকবা ।। কোম্লোই অসি হায়রম্লগা য়াঙ্গোই সাগোন মমায়

লয়হুনা নোংথৌ থক্তা কাখিহুনা ল্লাংওন সক্তি তিল্লুক ওইনা লৈখ্রে। য়োইময়াই ম্যালেম অতোনবা ময়ানয়াইদা চংখরে।

ল্লানৌ মচিন মনাওশু পুখিংদা পুঊট্রো পাউখুম খুখল কৌনা খারে কোকুমলক্না ময়ানয়াইদা হলক্লে। সানৌ মচিন-মনাওনা পম্বৌ পরোমগী মতমদা চল্লহুনা পাউরো পাউখুম হুংলকই। মমোম অনিগী কোল্লোই ফাখদা পম্বৌ মবুধিবনা পাউখুম পাউরো ফাকখীরে। অহুগী মতুংদা অমুক ওগ্না হওরগা তরা মথেন লাংহুনা তমলেন (চাকলেন) ওগ্না চারগা। মসানৌ মচিন মনাও মপনগী লৌক কোন্দা থারে মানবা হৌখ্রে। মবুধিবা নিংথৌম্ন মমোম অনিগী মার খ্রোংগুন লীরে। মালেম অঙানবগা পাউরো কোল্লোই ঙাখুবদু ল্লানিংহুনা, জোন্না মমোম অনিগী মতুং ইন্না লাক্না থারে লৌম্নি কোন্দোই কাচিন অমদা, য়েনগ্রংনা কুপ্পগা ভুমিন্না চিপেহুনা লৈরক্লে। ল্লাংলেন ওহাক লৈরগা মালেম অঙানবক্ন ওরাংগী মতম অহুদা থংলরে। খুদক অহুদা হুংলকই। ইসানৌ ইখেম্না অপিমক। কোল্লোই নম্বিং খঙবনা মিঙৌকন্দু খনে, কোল্লোই মিংনা কল্লি কৌবগে? অহুগা ভরা হকখা কোল্লোই মতুং লিংসিংবীবা অমগ্না? অহুগা পলেম পম্বৌরা কনানা পোকপনৌ? রা ফাস ভাকদা ঈসানৌ চরে অহল্লা খুমকই মালেম অঙানবা। পম্বৌ কোল্লোই-মামংবা মবুধিবা কৌবনি। পাহনবী কোল্লোই মমিংনা থান্নোনিং খমলৈমা লকখাদু কৌবিবা পোকচবী সৌবোন লাইরেম্বা কৌবা অহু খৈহাক্রী ইসানৌ ইখেম্না মিরেন তোপা পোমজবী লৈরক কোরখিরবী পিনা পনা পোংনাং

কৌবা অহুনি ।। মা অসি ভাবদা সনা খোয়ায়োম অতোমবা মালেম অভানবনা হায়খ্রকই । তুংসিদা ইবেমা, ইসানৌ অনৌগী কৌরোই মিংথোনসে । মালেম পান্তৌ অনৌগী কোলোইদু থত্তরে । অহুগা অয়াং ঐনা হংজরবা অহৈ অতগী পাউথুম অম্ তাজগে । অহুগী সৌবোন লাইরেম্বীনা থুমলকই । সনা খোয়দোম অতোমবা । ইদাবৌ ইচিল ইমাংনা তেংপাক কালু সৌইরকপদিং য়োইমায়াই মালেম অভানবনা য়াঙ্গোই সগোল তোংত্তুনা, অয়ুক য়েন্দা অভনবদগী য়াঙ্গোই খোঙ্গাপ মায়ৈ থাংলকপা মসিংগা মায়ৈ । অহুগা মালেম অভানবনা য়াঙ্গোই তোংতনা লাকপা অসিবু খোঙ্গাপ মসিং কয়া সুগ্রবগে ? মথু অহুক্তা থংজগে মী

(মচা অনিগী লোয়ান তুংইনবদগী মবুধিবা নিংথৌ সিবা)

পাউথুম্বা পাউইংং তাবদা, মালেম অভানবা, ইকাই খুংসি তংকেং খোংচে তাক্রমদবা সনোমসমাই কৈাদনা সাদৈ, কারন থাহুনা য়াকোই, থরল থবল তোংথমলিং সাদৈ, কারন থাই সেং খোঙদোইং অমক্র লুমক অহনমকপা জৌরি সেংদোই ময়াদা, য়েনখংমা কুশতুনা লৈরিকা অমুথবদু থত্তদনা য়েনখংগা লোয়ননা সাংগোয়া নেতুনা উভাং পাক্লয়া ঈমু লাক্ষে-মহুনা অমং থঙ্গৈ বুধ থমহুং সমা তানরে । মজৌ অসি উবদা সৌবোন লাইরেম্বী মচিন মনাও অমিমক্র ময়িংসনা অনিদা লাইজ ইফুং থোক্লা, মিয়াং সতচন্দুনা কালাক থক্তা এন খোইনা পন্থৌ মবুধিবর্কু অমীমবা কমক্রে । পন্থৌ ইপা ইবুংঙো

হয়া চক (ত্রেতা যুক)

নমোম ২ গী হৈমা তুংইন্নবপদি অমং য়াইথোং কুম্নবা, লময়াই কাইবু খিম্নবা থোকচমানে। হা পান্থী অপোকপা। এশীচাবু ওইবনা করোং থুকুংসু চমহোৌগীর রাংলেন মিকুপ, অমত্তংদি নোংথো থক্তা ঙাইবিরম্খো। লাইবক থৌবি নামাম্ম ইনি ইনাওবু হৈনা নতুং ইজরাক। তম্পম তৌনা মালেম থাক্তা নে থেংইনা কপশম্নবী, লংইজা সুংদা চোংথক্তুনা য়াইবী মাঙলগে থৌরাংলক্লে। থুংক অত্তুমক্তা কুমিং সনা খোম্মাতোন অঙানবনা য়ান্নোই থাক্তবী কুমথক্তুনা নিংগোল ওইবী অনিগী সামু থুকোং প য়ক্তুনা খাম্নগা চিংগোই মপাঙ মেনললকই। ইসানৌ ইবেম্মা অনিংক কর মরমগী অমং থমহৈ কুমগদৌরিবা ? সিবা হাত্রি। ইসানৌ নচিন ননাওদি লাংবম লৌজা সামিত্রি। মাবা তাস ত্তাবদা মচিন মনাওনা খুংলকই। এখোয়বু কবিগীমক থ খিং রিবনো? লাইবক থিবী মিংতোল ইচিন ইনাওবু পোকপিবা পম্থো মবুখিবা-কৌনবু সাগোম্মা নৈত্তনা য়াইবী থন্নায় মাঙহনগ। করিগী অমুক এখোয়বু থামলিবা ?

মচিন মনাও অনিগী বা অপি ত্তাবদা য়োইময়াই মালেম অঙানবনা হায়খি। মুক্তিং কৌবা এহাক্তি সিদয়াই নাদয়াই পুরিবনি বা অসি হায়বদা সিদংই নাদয়াই কৌবা হিল্লাক অহু চাইহুনা মাবুখিন্বু এনা হৈচাক লৈহম্না হিংহল্লে। কংলৈ পুংময়ংশা মালেম অঙানবনা সিদয়াই-নাদয়াই হায়না পুং ২ মনাল ং মরই অহুদা মলেম অঙানবনা মবুখিবুগী মফমদা হায়রক্ক। হা ইমান ইবুংঙো। নানোম কোন্দ তনৌবী সনা খোংনাং লৈমা অসিবু কোয়ৌ নোংখো থক্তা ইদু কালম সীন

নিমগ্রগে, সমু ওইথমুংবগী বা অসি ভাবদা ।। মবু থিবা নি থৌনা মমাংগী লাংওন নিংসিংকুক্তা ইরবরক ।, সমা খোম্মাদোন অতোনবা, তুংলাইদা হংয়নথিবা মকমদি কাউক্লিবা এ দংক লাংওনবা ইমামনি লোবিগ্রো ।। বা অসি হায়দুনো হমৌংগী কুকক পাল্লোইনদুনা মাংলেম অঙানবকী মফমদা সিময়ে । মতম অদুদা সনা খোংনাং লৈমাব পম্বৌ পলেম সেংবা কায়দুনা কৌরৌ নংথৌনা কাঙলুরা অদুগা পুক্লিং হৱাবকা লোয়িননা, পম্বৌ মবুথম্বু সাগোয়া লেংনা অমং থরে চুমলুবদগী লাংওন অনি খোক্লিবনি হায়না ভুংথা নাওরোই ওইনা পমক্লে । সনা খোংন্যাং লৈমগী মীকুপ মীয়াওখোল অসি ভাবদা মাঙেম অঙানবনা হায়রকই । কপ্পগদু ইবেম্মা, হৌখ্রবা থবক লাংওক্লি । অদুবু নংনা তেংথা নাউ ইরদা, অকাইবা লৈভক্ত মহায়রে । অদুনদি নংগা এগা লৌনা ইনবা মরম অসি লৈপাক অসিদা পাল্লবা ভাইবংসিংনা চুমিং থুদংবা ক্লিংসিংলবা মরম চুমমক অসি পুথোকলা এগী ইমিং থোক্লুগে মসি হায়দুনা মিংথোল ৭, সেল ৪ চুক ১২ হিংথৈ মিহুন সেমখি ।

সনা খোংন্যাং লৈমা লোয়নদগী চুমিংনা

চুমিং খা মমিং থোনবা

চুমিংনা । মা । অসি হংমাথ । ইবেম্মা হৌথবা রাক্সিসি পুক্লিং চংনা ভাও । মুঙাং নিংথৌ মুঙাং লৈমা পাল্লরকপা অমসুং নেং খোংথেঙমা কপ লাউবদগী মরুম ৭ কোক্কই । মরুম ৭ অদুনা মচা ৩০ পোক্লি । মচা ৩০ অদু । মরুম ১২ কোক্কই । মরুম ১২ অদুনা

মচা অমা ওনখ্রে। মশিন্‌ অমা হায়না কৌরম্ব ॥ অমা অসি মসু ১২ নি, মুক্ষ্যাম্বা ৪ নি, মলাঙ্বা ৩৬৫ নি। থৌয়নৌ ইথেম্মা। হায়রিবা অসিগী মিংথোম করম্বদি অসিসি মুদ্রা তাও, কপ্পগম্ব। মা অসি তাবদা সনা খোঙনা লৈমা কম্বা তোঙ্‌নো বারম অসি তাক্লি ॥০॥ মুমিং থৈনা কোয়রো লোংখৌ থম্বী লাউনো লম্বাখো থোর ইথেম্মা লৌয়ে। সনা খোংনাং লৈমা কম্বাগী "মিংকুপ অসিগী" সনা খোংনাং লৈমানা লোংখোং বঙ্গা কল্লুনা লোংখৌ থম্ম কাখিবা অসি থংনবা ওসি অসি "লোংচাইনিং" হায়গে। নিংবা ফুই হায়তুনা "নিংথৌকাবা"। কোয়রো লোংখৌবা লৈবনা মালেম লায়দা ফুমলক্‌না লৌরবনি হায়বদগী "লৈশাকপোকপা" য়েকপালাক মুম সাক্তুনা লৌরিয়া, কৈথলগী অদুনা সৌকই হায়তুনা "মুমসাকৈসা"। সাগোল তোংতুনা অফই সগোলসেন তুম্বিনা পাউরো পাউথুম হংবুবগী ইকাইবা নিংতুনা সগোল তোংতুনা অকিং অফাই থোরকপদু নিংথৌ মাবুথিবনু সগোম্মা নোংখ্রিং মসা পুম্বা ইকনা পুমচাক্ষু তাথিং ... অসুইম সাগোম্মা মাবুথিবনু নেংথিবা অদু থাংনা মানিবনা অসা অপুম্বা অদুগী থোং মতং তংতুনা সম্বোং মরোং মতেংতাম্বি হায়বগী "থাঙ" হায়খ্রে। মতুং অদুদা মবুথিবনা অদু অসিন তমহুনা সনা খোংনাং লৈংবু লুহোংখ্রে। হায়বদি লৈক সনাই থোরকপা লুবু লোক শিলাই অত্তোম্বা লু অমা হেংতুনা ... হোংবা (লুহোংবা) কৌরে। মুঙাং নিংথৌ মুঙাং লৈমা কোয়রো লোংখ্রেম্বা খোঙাখি।

নং ৬ পুবা

সৌবোন লাইরেম্বীনা ইঙোবা লাইবু নিংবা অমসুং

ইঙোবা লাইনা লাইনিংবু অহুম সাহুনা লাকপা

সৌবোন লাইরেম্বীনা ইঙোবা লাইবু চহি সুংস্যাংনা ঙৈরাং থৌনি তৌরক্লে। সিহু সিদে, নাসু নাদে। মহাকী লাইনিং পরৈ কনবা অহুদা ইঙোবা লাই অসি থাঙহুনা লৈবা ওমম্রে। মতম অহুদা ইঙোবা লাই অসিনা লাংওন অমা তৌহুনা খোঙাপ নায়ৈ ক্লানবদা চৈহু পালোইনরুবা, উমং-রামংদা কোয়না চহুনা লাইনিংবা অহুম অঙগী মসক ওইনা লাক্তুনা হায়জরৈ "মাবুখিবা নিংথৌ। ঐ অসে মতম কুইনা তাইবং চিঙ্গাক চাদনা লাই নিংবদা সোনমনগ্রুহুনা, নিংথৌ নংগী নকমদা লৈহুনা তাইবং চিঙ্গাক চাহুনা হকচাং অসি থম কনথহনগে হায়বগী মক লাক্লিবনি। নহাক্না ঐবু মতম থকদং তাইবং চিঙ্গাক অহু পীথৌ।" য়াবা অসি তাবদা, পুকচেল চাউবা, মীয়োক মীচান কবা মাবুখিবনা হায়রকই। "অহনগী মতম ওইরবা উমং রামংদা কোইনা চৎহুনা লাইনিংবনা নথকাই পেনবা ওইগ্নিবা, ঈশ্বরগী তুংনকুম ওইবা নহাক্না ঐগী ইকমদা লৈবিগে, হায়বা অসি ইরাক্তুরু কবনি। অদুমদি ওইরবদা ঐনা হায়জগদবা মরমদি :— অমাঙবা সুরুক য়াওবা, অভোংবা সরুক্তা ওইরবা লাইনিংবা নহাক অসিগী খোঁপন্দবা মাবুখিবনা সেবা তৌজবা মতমদা খোঁগলোব ক্লায়রুবদা খোজান হৈবা মিৎয়েংরা। য়েংবিনগা খোজান পীনবীয়। তাকপিবা নয়াথং ফিগাও সান য়াজমি।

ঈকোককেন্দ্রা হাপ্নবা মবুঙ্খিবা ঐনা ওক্নবগী ইথৌ থৌগল তৌজগে। বা অসি হায়রুনা য়ুম মচা অমা নাদনা লাইনিংবা অহল অদুবু থম্মগা মতম। অসিনা মখুঙ্খিবনা মপোম চেন্না অহনবী সৌবোন লাইরেম্বী অসিক লাইনিংবা অহল অসিগী থৌগলগা লপুক্লিং সুনা সিদাগা লাইরম্বা।

ইশৌবনা লাইথুং ১০৮ লিবা

সৌবোন লাইরেম্বিনা য়াম্না নোংলুকা মপাগী য়াথং মকোক থোংনা লাইনিংবা অহল অতুগী থৌগল তৌরকই। মতুদা মহাক্কী পুক্লিং অদু অরেপ্পা থগে হায়না নিংলতুবা অসোনবা অহল মাগা ইশৌবা লাই অসিনা নত্তক্কী মসা পুম্বা অসি তুথোং খুদিংগী মরিক মরিক পোমহন্দুনা নাই চাদনা অপাংপগী মতৌ অমা ওইহল্লে। হয়িং তোংহন্দুনা পুমনম নমহল্লি। হিপ্পদগী হৌগন্দুনা ফম্না ফাওবা থম্লক্কে। মাদুদা সৌবোন লাইরেম্বী অসিনা তুকচবা থৌজাইবা করিমতা লৈতনা হোংখৈ। মাদুমক্তদা মনাবা অহল অসিনা মখল মথা অয়াম্বা লাইথুং ১০৮ পুথোক্লুনা নাহল্লি। লুচিংবা লাইনা ৭ কী হিদাক লাইবাসিং তোক্লুনা কোয়না থিহল্লি। নাখিবা হকচাং পুম্বা অতুদা ঈসিং কনু ২ সাবা অহনা সেংনা সেংনা মরোক পুম্বা চামথোকহনা মথক্তা উনা বানা থথা অকক উরিক মনা ফুংনা চামথোকই, কোকনা নোংমাংখা মক্তা মকম থিহনা মহি মুখলগী হয়িং তোংক্লগা মনবা হোংখৈ। পুক্লিং অবাবগী লোয়নবা মতৌ মকক তৌরগা লাথং অমিবু কোকনে হায়রগা য়াম্না

চেকসিঙ্গা সেবা হোৎনরকপা অমত্তো লাইথুং অমা থরা উথগা পারক্লে। মতম অসিদা ইতৌবা লাই অসিনা পেনবীরক্লগা সৌবোন লাইরেম্বী অসিনা মপাম্লাংদা থবক থানা হুত্তুনা লৈবা মতম অহুদা চায়না হেক উথমরুম উহনবা মসেক মতানখুম, রাথবা (ভাবনা) রাথপগী থোকপা উথাশুমবা ইমুং লৌশিনা মথৌংকাররকপা যাম্না নিংথিজবা পাথং অমা লেংল্লা মৈবাঙ্গা হেক হেক উংলি। মতুদা সৌবোন লারেম্বীনা ঙক্লুদা ইমুং মমুংদা চংলক্লনা তাইবং কনা লাক্লম চংলক্ললগে হায়। রা অসি তাবদা ইতোংনা থুমই। ইবেম্মা ইমুং মমুং অসিদদি কনা থোইনা লাকে না, মুমিৎ খুদিংগী মতৌ অহুম্না নংনা হেক হেক হংবা ভসি ঐ পুক্নিংদা যাম্না চিংনরে। নংসু মুমিৎ খুদিংগী থবক তৌদনা মরৈ। মীনা ইমুং চংখিববু উহৌদবা হৌনদে। করম্বা লংই- নিংথৌগী লাংওনবো।।

রা অসি তাবদা সৌবোন লাইরেম্বীনা হায়রকই। ওম্থোক- পনি ওম্থোক্লা নিংথিজরেদা।। মালেম অসিগী মমুংদা লৈরিবা মীওইশিং না মহাক অদুবু উবদা পুক্নিংবু কানয়াইনা ফা পুম্নায়াইনা পুনখিত্নুনা অঙাংবা ওঙাওবীগা মতৌগুম্না, মহাক নত্তুবা পুক্নিগী তাওলবা মতম অসি অরেম্বদা মাউহনখ্রোই থনবগী পুক্নিগী লৈরাং সাংহৌদনা কৈমদুনা পুক্নিগী মতম হৎখিত্নুনা অমুম মতৌকিলগনবনি। মদুদা ইতৌবিনা হায়— "উম ইংবজা"।। মদুদি মী নংবৈদনা উমংগা লাইবক ওইরবমু নহাক্লা হায়রিবা মসক অদু ওবা সা ওই। ইবেম্মা নহাক্লা থবক থমা মুবলাগী নপুক্নিংদা মথক থম থম্বলগী নপুক্নিংদা থোক্লা

মসক মঙান ওইরিনিদা ।। নত্তে হৌজিক্তা ইমুং লময়ায় অসিদা লেপ্পনা নমোম ঐগী ইতো ইয়োং য়েংদুনা লৈবগুম্বা লৈরম্বিবনি। "কনাইদগী ইবেম্মা নংনা করিগুম্বা বাখল ফৈরেংনবা, মুংঙাইবা অমা থল্লুবদগী তৌবনি। হৌজিক্তা লৈরম্বা মসকপু খুদক অসিদা ঙানমাও মাঙবা হৌনদে ।।" বা অসি তাবদা সৌবোন লাইরেম্বীনা ওস্তেকিইদা, করম্বা লাইগী তৌওমর্দবা মসকপুনা হায়দুনা ইকাইদুনা অদুম মতোক্লে। মতৌ অদুম্বা সৌবোন লাইরেম্বী অসিনা থোগন ইথোদাং তৌদুনা লৈবা অসি ইমুং মনুং অসি হৈ লৈ মনম মুংসিগ্রবা, পুক্নিং ইরাং হৌনবগী মসক ওইবা মনমতনা মফম খুদিংদা নমহল্লক্লে। মদুদা পল্লদুনা মখাক্লা মমা, মপাগী মফমদা লাক্কনা সরম পুয়মকসি তংলকই। মদুদা মবুধিব নিংথৌনা মচাগী মফমদা তাকপীরকই। ইপাগী ইমোম ইবেম্মা অহনগী মতম ওইরবা লাইত নিংবনা পুক্নিগী তোংজবা সরুক ওইরিবা মহাক অদুগী থোগন, নপুক্নিং চংনা হৌবনী সোইদমমক মপুগী থৌজান লাক্কনি। মপন পস্থৌগী মপা নিংথৌগী থৌজান মতুং ইন্না হন্নক্কনা অহনগী মসক ওইব লাইনিংবা সাবা ইঙৌবগী (সেবাবু) থৌগনলোন থকসি খাসপা লোয়নবা, পুক্নিং" অমকপা লৈতন চংথোক্না তৌক্লখি। মতুং অদুদা নোংমদি মাবুধিবা নিংথৌনা অঙম্বা প্রজ. কৌ.সন্দুনা হায়রকই। নিংথৌ ঐগী অঙম্বা।

সাম্নিং ১০৮ কাবা ঙম্বদা সৌবোন লাইরেম্বী পাবা

হয়েং কে.রৌদা সান্নিং ১০৮ কাদবা য়ারে। ... কনা-গুম্বা মথস্তনা সী মম্নিং ১০৮ মক হুনা কাব ... ত্রেতা

ইমোম ইচা নুপী সৌবোন লাইরেম্বী অসি পীগনি হায়না নোংনোংদৈ। অঙাংবা পুন্নমক্কা নিংথৌগী য়াথং মকোক থোংনা হাপ্তনা খোঙাসিংদা পাওজেল থংনাথ্রে, ইপাও পীবা লোইখ্রে ।।

মতম অদুদা পাউ অসি সৌবোন লাইরেম্বীনা তাব্রদুনা, লাইনিংথৌ অদুন সান্নবা লৈবা ইঙৌবনা মফমদা পাউ অসি তমখি। বা অদু তাবদা ইঙৌবনা হায়—"মতুংদি ইবেম্মা, ঐহাক লৈবাকে অসিদা নুপা নিংথৌগী প্রজা ওইদুনা লৈবাক্কী সাদানবা অসি য়াওদবা য়াদ্রে। অদুবু পাম্বদি সোনবগী মাখোংবা চতুনা খাইগী মতুং ইনবদি থুদাং কয়া চারক্রে ইদৌরি, কমদৌসিবা। হন্নক্কী সা তানবসি চেৎপদি চৎনিংঙদা, সগোল অমতং লৈরবদি নিংবা থুংগনিদকো।" বা অসি তাবদা সৌবোন লাইরেম্বীনা হায়। "সা তানবা অসিবু য়াওবিরুগে, নিংবিরা? অদুগা সগোলশীদমক চিংনবিবরি ত্রৌরিগনু। চেৎপা ওনগনি ওম্মোইতা খনবীয়ু। করি হায়নো ইবেম্মা, ঐহাক নিপা অমানিনা, সগোলবু লৈরবদি করিগী ওমলোইদ্রাগে। মীনা ওবা ইমায়বনা তৌবা থবক খিবিক্তি ঐহাক ওক্কম থোকইনা, বা অসি তাবদা সৌবোন লাইরেম্বীনা মপা নিংথৌগী সগোল সংদগী অফবা অকনবা সগোল অমা লৌরক্লগা মাঙোন উখোক্ক্রেন্দা পুন্দুনা, থমলে। ইবুংঙো। সগোল হাররবা, অদু দৌক্করে।।

বা অসি তাবদা ইঙৌবনা হায়—অদুদি ইবেম্মা, সা তানররবা চানবা চায়োম থরাং সেম্বীদু অদুগা ঈসিং থমবংগা সোক্কনা তুবা অসিদা হানবীয়ু।। হায়দুনা খোংবীমুক চাউবা অমা অমগা, থুবাকমুক পাকপা মোরসা খাউ অমগা পুখোক্কনা পীরে।

মতু উন্দা সৌবোন লাইবেন্দ্রনা হায়—"তুনা ত সিদা হাপ্পা ঈশিং অমসুং থউ অসিদা হাপ্পা চাক তন্দুনা মী কনাগী মপুক থনদাগ? হৌজিকমক চাক থোংদ্রবসু, ঈসিং থোক্নহোন্দ্রবসু [illegible] ইনা চেমবম-দাইদা হোনবসু ননংগনিদা?" "মাহুত্রু ইবেম্মা, চংশমদাইদা হোবে হোবে তৌবা থৌরাং থাদতুনা বয়া [illegible]। থৌর চদি ছাম্না লোইতুনা থম্বকনা [illegible] নংবু [illegible] হায়বু [illegible] ভসিনা থৌবাং লোইত্তুনা থম্বা। ওকনি [illegible] ত্রাহি হায়বা সাংগিন্না থৌবাং চাকয়োম মসক য়েংদুনা পাইমা রাখল তৌজাহৌগ [illegible]"।

সৌবোন লাইরেম্বীনা [illegible] [illegible]।

বা অসি তাদম ইবেমা সৌবোন লাইরেম্বীনা, [illegible] অমদা ঈসিং সোত্তুনা তুমা অহনা হৈবদা থোক্তবগী চা উবা তুম্বা অদুগী মনিং ফাংবা কোইসন্ত্রে। মতো অদু উদা ইবেমা সৌবোন লাইরেম্বীনা, কোম্বু [illegible] [illegible] বৌখাওদুনা [illegible] হাসং [illegible] [illegible] থাদবা ঙমদ্রে। অদুদুনা সৌবোন লাইরেম্বীনা হায় :- ইতোমা! [illegible] [illegible] [illegible] থমবা লাইজা ঈসিং [illegible] [illegible] থৌরাংগে, তৈমরেল ১০ চাক অমুক থোড়গৎথে।। য়ারা অসি হায়রদুনা চেং মপোৎ অমা লাখদুনা থোংলগা মোরসা থাও খুদ,কমুক পাকপা অদুদা [illegible] বদা মনিং ফাংবা কোয়ক্রে। মতু অদুদা,চেং মপোৎ ১০ না অমা অমুক [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible]। মদুদুনা [illegible] চেং মপোৎ ১০০ [illegible] অহিং নোংসোইবা তুম্বা পোখাবা-তৈভনা [illegible] হানববু থাউ

অতু থাঙৈঙে ফাবা হানবা ওক্কে। মতৌ অসি উবদা ইবেন্মা সোবোন লাইরেম্বীনা করিননো হায়না পাইমা রাখন তৌদুনা লৈ। মতম অদুদা ইঙৌবনা হায়। "ওঙোকইদা" মীগী মপোৎ চাবা মীঙোন্দগী নিবা হায়বা অসি চাকয়োম্মক্তা ইপুক থন্নবা য়োমনিংঙাই চেং ইপ্পাং ফাওবা ফংদেদকো "য়াবা অসি তাবদা সোবোন লাইরেম্বীনা খুমকই" (মহাসয়) লাইনিংবা। নংহক্তা উনংদা কোইনা লাইনিংজবা ঙম্মিব। অসিদি থ.উ অসিগী মপান্না লাইনিংব। ঙম্মিবোইরে। রাবিমু ওক্লবা লাংকগনি। হয়ি সিদবা তরা চাকনিংখক্সা য়েনসোবিয়ো" হায়রিঙৈ অদুদা ঈসিং হোনবী মুপীসিং অদু চংলক্লনা অহিং নোংসোংবা পোথাবা লৈতনা হুয়রকপা অদুদা তুপ্বা অসি ঈসিং থনবা ঙমদ্রে হায়না পাউ তমলরে। রা অসিগা তাবগা ইবেন্মা সোবোন লাইরেম্বীনা ঙক্লদুনা পুক্লিং রাখল তৌনা নিংসিংলবপদা থঙলক্লে। মতুং অদুদা চেং খরা লওরুদুনা চাকতুমুক থোংলগা চদুম কংগ্রবী ৫ থক তারগা, ঈসিং উতোং অমগা পায়দুনা পুরক্লগা, অসোনবা অহল লাইনিংবা অদুগী মতংদা লেপ্পনা লরাই লুতোন্দা চাদম ৫ অদম হাপ্লগা ঈসিং অদম হৈখরে। মদম্বা লাইনিংবা অদমনা ওক্লে ওক্লে নং কাউরমাল্লে। খংহনগে হায়দমনা তৌবনি। খুদক অদমক্তদা মোরসা খাউ অদম চাকমায় চোল্লে। তপ্পা মচা অদমসু মমায় চোম্না ঈসিং লৈখ্রে। মতম অদদা খাই পুম্বা পুক্লিং মুংঙাইনা পোথাদনা লৈনরে।

লাইনিংবা সাবা ইঙৌবনা সাদান্নবা চৎপা।

ইমুং সোইবা ঙান্নবা, মঙাংগী পুংজাগী মতমদা অওম্বা

প্রাজা পুম্বা য়াঙ্গোই সাগোল তোংহুনা সা তানগদবগী কুরুম চিং তম্না তাইগৎলক্লে। খুদক অহুদা লাইনিংবা সাবা ইঙোবনা হায়। মরম পুক্নমক খঙলে পুক্লিং চুম্বী লৈমারেম্বী, নংনা নিঙলিবা অহু থুংনবা অমম্বুং, নপন নিংথৌগী য়াথংহ কায়দনবা লাইনিং পরৈ চেৎনা লৈরম্মু। ঐম্হ খ্বাইগী মরক্তা সা তানবা য়াওরুখিগে।। বা অসি হায়রমলগা সগোল তোংহুনা সা তানবা য়াওবা লাক্লে। সাদ হৈবা অঙম্বসিংনা য়াক্নৌ থোঙ্গনা য়েংদনা সাগী মরম য়েংনরে। খুদক অদদা লাইনিংবা সাবা ইঙোবনা চিং অহুদা লৈবা সাসিং ১০৮ বু সাতানবসিংনা ফাগদবা মখৈ য়েংলগা মেনসিঙ্কা তেন অমা কাপ্তনা মনা য়েৎথংবা, নাতোন, অমম্বুং মমৈ, খরা খরা লোইনা কক্তনা পুররুগা, মোরসা খাও অমদা হাপচিন্দুনা থমলগা, উ অচৌবা অমগী মখোংদা ফমহুনা, হায়গী লাইনিংবা অসোনবা সকফম অহু ওইনা ফংহুনা তুমিম্না লাইনিংবা সাদনা লৈ। খুদক অদদা সাদা হৈবা অঙম অথৌ, প্রাজাসিংনা সাসিং ১০৮ সুনবা ফাবা লোইদনা, মান মান ফজবা য়াক্নৌ সাসিং অদ তোঙান তোঙাম্না, মপৈ মপৈ কাংলুপ ফুকপ নংইনা পৈহুনা থম্রে। মতম অসিদা লাইনিংবা সাবা অহল অহুনা হায়রকই—"অঙৎসা সাদ হৈবা প্রজা পুম্নমক। সা কাবদা বারিনি। ঐদি ইপাঙ্গন সোনবনিনা সা কাবম্ব য়াওজবা ঙমদ্রে, চৎনিংবগী অদক নখোয় খ্বাইগী তুং ইল্লকপনি। হৌজিক্তি সা কাবম্ব লোইরবনিনা অবা পোখ্বানবা করি করি থর চাম্বিম্নসি, ঐগী ঈনাক্তা চংসিল্লকউ লাউ।" বা অসি তাবদা অঙম্বা প্রজা অপুবা

নোক্লদনা অসোনবা অহল অসিনা ঐখোয়বু করি পীজগে হায়বিবনো ।। মান পুরকপা অদুনা ঐখোয় খাইবু থুংনবা পীজবা ঙমগদবগুম্না কৌসিল্লি ।। মানা পীজবা ঙমগদবা মী খরত্তা কৌবসু নত্তবা ওস্তোকইদা, অহল লমন হায়বসিগী পুকচেল ফজবা অসি ওস্তোক্লা ফজেদা পুকচেল অমত্তা ওইবগী বাঙাং তমজনবগী মসক্কি ।। করি পীজগে হায়বদু য়েংসি। লাও ইনাওসা। হায়দুনা অহল সাবা লুচিংবা অমনা হৌদুনা, লাই-নিংবা সাবা অহল অদুগী নাক্তা লোইনা লাক্লনা ইকোই কোয়সিন্দুনা. ঐখোয়বু পীজগনি হায়বদু কদায়নে। পীরক্লো, ঐখোয় অরাম খৌরাংবনা থাঙবা ঙমদ্রে হায়জরে।

লাইনিংবা সাবা ইঙৌবনা সাতানবা

(প্রাজাসিংবু চাক পীজবা)

রা অসি তোবনা লাইনিংবা সাবা ইঙৌবনা অঙম অখৌ প্রজা পুন্নমক মনাক্তা ইকোয় কোয়না ফমহল্লগা "মোরসা খউ" অদুগা তন্না অদুগা পুথোক্লগা হায়রকই। অঙন্না প্রজা পুন্নমক। নংগী নংগী চাক্লকলা পায়রো চাক যেঙ্গাং হাপ্লগে যারা অদু তাবদা ময়াম তিন্দুনা খুবাক খুদনা নোক্লে ।। করম্মো তৌরিবসে ওস্তোক্লা ডাওথ্রেনা অহন মওইগা। থাউ অসিদা হাপ্পা চাক য়েনসাংনা কনাগী চখোম ফাগদৌরিবা। অদগা তনো খোংবিমুক চাউবা অসিদা হাপ্পা ঈসিংনা কনাগী য়াউম ফাগদৌরি-বা ঐখোয় পুন্নমক চাকলুকলা পায়ু হায়দনস্থ পায়সিন্নে। করম্মো। কনদম ইকাইবা মরোংনি। অচম্বা প্রজা বাবিগনু, পীজনিংদনা

চামিন্নবা তাওবনি পুম্নমক্কা য়াংবনি, চামিন্নবিশিংদগী তৌবনি নখোয়গী রা অসি তাবদা ঐস্তু কনা ইকাইরুরে। অসিবু ঐনা মহাক্লৈগে, চাকয়োম অসি থন্ন নিংথিনা সেম্বীয়ু হায়না। মদুদা মহাক্না ওক্লনি ওক্লনি হায়দুনা ঐ ঈকায়বা নংলোম্লো, হৌজিক করি খোঞ্জবগে, রা অসি তাবদা মীয়াম অদুগী লুচিংবা অহল সাবা অমনা হায়রকই —"অতুম্বা প্রজাসা। অহল অসিনা ঐখোয়গী অরাবসি উবদা পীজা পীথক্লিংহনা তৌরিবা অসি মরু ওয়মমত ওইরবসু ঈসিং মরিক থিজ্জন্তু য়েংখসিনা" রা অসি তাবদা অতম্বা প্রজা পুন্নমক মাগী চাংলুবকা পায়দুনা ওইরে। খুদক অদুদ। লাইনিংবা সাবা ইতৌবনা মোরসা থাউ অদুদগী চোক সেনসাং অরাংবা লৈতনা য়েল্লারে। তাইবং মখোয়না চানিং চানিংবা মপুক্লিংনা কিংলক নি-লকপা মথেল লুকায় অদু থাউ অদুদগী লৌথাক তৌ-খোক্লগা পীজরে। মতম অদুদা সাতনবা য়াওবা মীওই পুংসি চামনদগী মহক লুকথবা য়াদ্রে। খুদক অদুদা প্রজাসা। করি হায়চৌ হায়রবগে? কবম্বা মথেল পুজরকখোগে তাকপিয়। হায়না মরক্তা কোয়না চেন্দুনা হংককংদা কনা অমত্তা খুমখিদ্রে পুমপেন সেন্দুনা, ওক্তুনা মুন্না য়েত্নুনা লৈরে। মতুং অদুদা চাব-থকপা লোইত্নুনা মকম অদুদা মীয়াম পুম্বা তাইহাক মুংতাইনরমলগা, কোন্নুং তমনা লাক্তুনা মাগী মাগী পাউতা চংনরক্লে।

(সা কাবগী বিচার)

মতুদা লাইনিংবা সাবা ইতৌবনা হায় :—মহারাজ ।। ঐদি

ইপাঙল সোনবনিনা য়াম্না ক'ঙ'দি ঙমঙ্ক'য়ং সনা য়'থ' ক'য়দনবগী ঙমক সাসীং ১০৮ দংদি শেনবা ফাজরকই পু'দি ঙমদবনা পুবা ওয়া থরদি সনা নাক য়ৌনিংদুনা পুজরক্লি। বা অসি ছায়দুনা মোয়সা থ.উনা হাপলিবা সাসিংগী মনা নাভোল, মমৈ মৈভোল ১০৮ অদু পুখোক্লনা কংলে। বা অসি তাবদা নিংখৌ মবুধিবনা হায়। "অঙয়া প্রজাসা" নাখ'য় খাইনা কার হায়বা সা অদু তে'ক্লয়। বা অসি তাবদা মখোয় খু ইন্না ফাবা সা পুন্নমক অদু লৌরুদুনা মা'মা মানা কারকপা সাসিং অদু তোঙান তোঙান পৈদুনা থমখ্রে। নিংথৌনা য়েংবদা সাসীং ১০৮ মুরে। মতম অদুদা লাইনিংবা সাবা ইঙৌবনা হায়— করিনো অঙয়া প্রাজাসা। মখোয়দি নংন নংন ক'বা স.দ নিংথৌদা কংনৌনা ন.থায়না পুরক্লিবা অসিদি এনা ফাবা সা ঙাক্তনি।। বা অসি তাবদা অঙয়া প্রজাসিংনা লাই-নিংবা অহল অসিবু মপুক্তা সাউনিংলদুনা থৌনা থংলরক্লে। মতৌ অসি উবদা নিংথৌ মবুধিবনা হায়—"ঙাইখো অঙয়া প্রাজাসা। সাউখিদু তপথখো। এ ন.থায়দ বা হংখিগে।" হায়দুনা ইনিংথৌ। প্রজা প্রজা অঙ। সাদা হৈবা লান্দা থোবা নখোয়না ফাবা সাদ নসক থঙনবা কার খুদম ফংখি? ননাই থৈখেয়দি অসিগুম্বা নমথক অসি লাৰ্মান থদেবনা থোইদোকপা খুদম থমজখাক্লে। বা অসি তাবদা নিংথৌনা হংই।। লাইনিংবা নংনা কাবদি খুদম কার করি হাপাখি? ইবুংগো। ঐগোর্দা অমুক হংবদুনা কদৌরুনি, এনা ফাজবা সা মথৌদি কংখিবা খুদম অদুনি। সা ১০৮ মক মমৈ

মৈতোনগা মনা নাতোনগা থর ঙরদি য়াওরোই। বা অম্মি তাবদা প্রজা অচম্বসা, নখোয়না কাবা, সা মথৈদি মমৈ মৈতোন মনা নাতোন ওয়া য়াওইদনা? য়াওগনি ইনিংথৌ। অদুগা ওই- রবদি করিগুম্বা মমৈ মৈতোনগা, মনা নাতোনগা য়াওরমদবা থোক্লবদি লাইনিংবা অসিনা কাজবা সা ওইবা তাইদনকো। চুমই ইনিংথৌ। মানা ফাবা সাদি মমৈ মৈতোনগা, মনা নাতোনগা য়াওরমলোই হায়না হঙংলি। সনা মীংয়েং তাবিদুনা য়াওই য়াওদে মিয়েং তাবিরো। অদুদি ঐনা য়েংত্রবসু নখোয় খ্বাইনা য়েংলবসু মহু মঙাই। অদুদি নদাইরেম ঐখোয় য়েংজরগে কায়দুনা মানা মানা কাদুনা পুরকপা সা খুদিংমক য়েংলক্লে। মনা নাতোনগা মমৈ মৈতোনগা য়াওরমদ্রে হায়দুনা মীয়াম অপুনা বা বা লাউনরক্লে। মতৌ অদু উবদা মহৈ মহৈ তুমিন্না ফমদুনা লৈনখ্রে। বা মথা তানখিদ্রে। মতুং অদুদা সা কাজবসিং অদু অরানবা তাদুনা মনা ফংখিদ্রে। মমৈ, মনা ককপনা মনা পীবা তাদুনা লেপখ্রে। অকল অথৌ, অঙম্বা প্রজা, নিংথৌ পুনা মনা নাতোনগা, মমৈ মৈতোনগা মহু মপাল য়েংদুনা অমমম পাপরবগা সা খুদিংনকা পান্দুনা হৈংলদা হান্নগী মতৌগুম্না সৌজংদুনা, মমৈ থেক্লং খুমাং হোংতুনা মান মান থোকপা মাকৈদা য়েংদুনা লোয়না চেন্নখ্রে॥ মহুংদমক মফম অদুবু "সাথোক সায়াম পুণ্ড (সমান্ত) হায়না কৌনখ্রে॥

ইতোৌবা লাইনা অসংবা সকাথোং পুথোকপা

অমম্ভং সৌরেন লাইরুদ্দী লৌবা

মতম অমদা লাইনিথৌ সাবা ইতোৌবা কাইনা দাগি মসক

নিংথিব। তাইবংপানববু (মুমহৎনবা) ওইবা ইংবা মঙখোংবু অঙম্বা প্রজা নিংথৌ পুম্নমক্না উহল্লে। মকথোং অচু উৎদা মীপুম খুদিংমক্না পুক্নম লৈপাইদুনা মমোম লাংলেন সৌবোন লাইরেম্বীবু লুহোংদুনা কৎলে। মতুং অদুদা ইঙৌবনা হায় :— "হে মহারাজ অঙম্বা প্রজাসিংনা সাউরিব অসি সাউদনবা থেমজিনবিয়ু, থ্বাইনা মখোই হাইবনা চুমই, মা হকথেংননা ফাবদি মখোয়না ফাজবনি। মখোয় থ্বাইনা ফাগদৌরিবা সাসিং অসে ঐনা হান্না মখৈ, মনা কক্ননা থম্বনি। মখোয় অসি মতিক চাবা মনা মথুম পীনবা তৌসি ঐদি মমাঙ্গৈদা ভাংদখিবা লাংওনগী দমক কায়দনবা লাকপনি। ইনিংথৌ এনদি সাসিং ১০৮ ফংবা ওম্বা মী অদুদা নমোম ইবেম্মাবু পীগনি হায়বা অদুদা ত কল অথৌ কনাগুম্বনা সাসিং ১০৮ ফাগ্রবদি, লাংওন লিংদা কাইদা তারে হায়দুনা মরম অসি ঐনা থৌরাংবনি। ঐদি তাইবংপেন্দা লৈবা মতম লোমলে। নংদি মতম খর ক্লংডাই য়াইফনা পুন্সি হুংসাংনা পালহৌথো ঐদি হল্লগে' বা অসি তাবদা লৈবাক প্রজা নিংথৌ, অঙম্বা পুম্নমক্না মতম থরদদি লৈবিথো হায়জদুনা কংলৈ পুংয়োল লৈবাক নোংথৌ তুমগী মন্নুং/চৎলমগী থা থংবা সিদবা উপালগী থা পাংবদা অনৌবা মঙলেন অমা সাদুনা লৈবাক নিংথৌ অঙম্বা পুম্বনা খোইয়ুম ইঙৌবা, সৌবোন লাইরেম্বী লাই অনিগী মফমদা মকম অসিদা লৈবীয়ু হায়জদুনা সংলেন কৎলে; মকম অসিদা লৈরবদা খোইয়ুম ইঙৌবনা থম্নি। এগী হন্দকী লাংওন অসিদা লেঙদবা মসক ওইনবা কন্নি থনমসিবা মালেম অঙানবনা লৈবা লাই সিদবনা কোন্নৌ হুমিং নিনিদং

মরৈ নাখুনপতুনা লাংগ্লন থেংবালিবাদি চুমিং থানা পান্নিবমকৈ মমিং কোল্লোই- লৈনবা থনমই-। চায়না রাখল তৌনা তৌনা মোংদম মপা মপুগী নারে নথুপ্পা হুওখিবা/লাকদবা থকেবা পুরাইকপু য়েংলতুনা রাখল তৌবগী; কদি পুনয়োন লৈ বাকীদমক হায়দুনা মোংদমা মপুগী পুরাবু পান্দুনা পুরাগী ময়েংকী মফেক থরা। সেমিদোকদুনা পুরা খিবিকপু ইবা পাবা তম্লবা লৈবাক অসিদা, লৈবা তাইবং নমুংচাদিংদা তপ্পীবা হৌরে। ময়েক খিবিক অহৈগী পুথোক্তুনা মখল মথা অয়াম্বা ওমলো য়াইবরেল সিদবা লেপ্তবা মোংদম মপা মপুগী মঙাল লাইনিং, লাইসোন নীবলম লগী পুম্নমক তাকপি তম্বিদুনা অচৎ চৎতা লেঙলি পাল্লিবা পুরক্লী মউ লেনদু মসক খঙহনদুনা, লৈবাক্কী চুংঙাই য়াইফ লগী মখল মথা লিজুনা লৈবাক অসিগী তাইবংসিংবু সিংথাক নিন্দহৌদুনা কংলৈ লৈবাক নোংচুপ্পী তুবদা লৈদুনা তাইবং নমু মপোক অথোইবা চংখাবা পুরুষী পুন্সি মরা লেপ্তনা হেৎনা পাঙনবা হায়রগী লাইনিং লগী লাইরবা, অমসুং হিদাক মরম পুরম থাকশিনদুনা লাইখাক তীমতাকহনবু নিংথিনা তম্বিদুনা কংলৈ পুংময়োলগী তাইবং পুম্নমক থমমগা নোংপোক লৈহৌজিং নোংলেন চিংদা লাইরেম্বীগা লোয়নদুনা লৈরদুনা মফমদুদা কোয়না সাম্নদুনা, খুতম লিংদুনা লৈরে, নথুপ্পা লাংগ্লন কয়ামুক সাম্নরমগা লাংগ্লন কায়দুনা থুরখি অমসুং ইরিখি। ॥০॥

চিরিক্লা উ মানবা

খুদমে চাং য়েংনবা খোং লোনবদি লৈমরেম্মা ওইরো শিখরে। ওদি অমা লেপ্লে। হয়েং অমা লেপ্লে। হয়েংগী তপ্না চাক পলেম লৈমরেলনা ফুরোল অহুম থোংই। মরমদি মপাম্বী অহুম্বকী খুদম য়েংই লৈমরেলনা মথক থংবনা মপাম্বী অহনগী ময়াইদা মপাম্বী য়াইমবী। অহুমগা মথা থংবহুনা মপাম্বী অহোম-বম্বী। থম্বী মৈ থাবদি মথাংদা থাই। অমাবক কাখিগত্রা হায়হুনা সেম্বনা অপা মৈ থাই মুনবদি ময়াইনা হাম্বা মুপ্লি। অসুম্বা লৈমরেলনা ফুরোল বাখল য়েংবদা হন্দকী ঐনা য়েংজিবসে লাইলেনগী মহুৎ কনানো হায়না য়েংবনি। ফুরোল অমমমগী অক কত্তা য়েংবনি। চাবী চাবান খুদম য়েংবা লোইরে। অহুবু লাংলেন সীংথোং য়াইমবা ইবুংঙো লাংলেন সীংথোং বাহীহল উপাম্বীবা ওইগদৌরিবোইদ। "হন্নাওইক সিদবী" কুংঙদি। অসুম্বা, সীদবীদি পাইম্বা বাখল অসি থম্বদি অসুম্বা নোংমা লেপ্পী। অম্বা চিন্দম্বা লোইরে। সীদথরে সিদবীমা মপু ইবুংঙো লাইলেনগী মনা নাকা চংসিল্লে। পীবিম্মো য়াথং সিদবা মপুনা নপাম্বি অহুমকপু। সিদবী সিদবা থোবিকম্বগা মপাম্বী অহুমনো লেংথোকখ্রে। অসুম্বা সিদবী পলেম অমসুং লাইলেন সিদবা লৈছোরে। পলেম সিদবীমা য়েংজহৌই মপাম্বী অহুম্বা থোকখিবনো। কনৈদা লাইবী মপাম্বী লাইলেন সিদবীগা অতোপ্পা বাক্কি চিংলোম্ববে। মুংঙোইবা কোংলেকই।

অহুম্বা মচিন মবাও অহুবু পোম্বকপনিনা মথাম্ব অবাং পাংলক্লে। সিদবা মপুনা [illegible] অহু য়োথরে। [illegible]

সিদবনা তাকপীবা মতুং ইমা পাম্মেল উ যাল্লকই। কোংয়াং না য়াল্লকপনা না য়াললকই। ইকানবনা ঈ কাললকই ভুল্লা লাইলেন সিদবগী মশাঙ্গী অহন্না হাপ্পনরকই। অয়াবা অহল সানৌ সাংথোং য়াইমবা সানৌ অতোনবা ইবুংঙো নবানিং সিদবগী। বারক মতুং ইমা নংগী নংগী থৌদা পাংথোক্লবা নংগী নংগী নংপাৎ কাববদা, নয়াম্বা ঐবু ভাইগনু। অহান। ত মুরবনিনা সানৌতোম্মা হাললে. সিদবগী নাক য়ৌনবা দুং পা হনাগো। মাইমা নহাগা হানাল ননাওবু ভাইগা নাগা ঐবুনু ভাইগনু। নহাক্লা হাম্মা যেনবা হেক্তা থোংসানবে। নয়াম্বা ঐনা লালনবদি সানৌ নথোয অনীবু ভাইবীগে। হৈহ অহু তাবদা সমামহৌনা খুমকই। ইয়াম্বাগী য়াবা তারগা ইথোয় হংরাম্বা কৈসে সানৌতোন ইম্বাম্বা তাকলিবা য়াথং মতুং ইমা ইকাম্বা হাইগে। ঐথোয়না পুগদৌরিবা মুমপোংসে য় নবা লোইথ্রিকাওবা অমনা লৌমবনু অমনা লোইথ্রিকাওবা থৌনবা নয়াবা ঐগী পুম্লিনো চিংনদনা হায়রি। সানৌতোমা পুংদা নহানি। চরৈ নাওহোংতেরি মুমপোং কাবনু সানৌতোম্মা হ মা য়াঙ্গৌ। মথংদা ইয়াম্বু ঐথোয় অমী য়াঙ্গগা ঐগায় অহনবকী মুমপোং অমি কারহুমা ঐথোয় অহনবকী চুরেন লাইব ঈয়ার থকসিনা সানৌতোম্মা থাংদা খর মথংদা ঐথোয় ইমা মা খঙ্গীবা, ইয়াম্বী মকমলংগী নবাওবা ইয়াম্বী [illegible] হৌংচরিবা তারব অমি ইয়াম্বাগী মনা পুক্লীংনা পাম্বীরবনু ইয়াম্বিনা কনবা অমুক তাকপী। মমামহৌগী মতা তাবদা হলৌরবগা লৌরিনবা মনাওনা হায়বহ চুমী হায়হনা মরাম্বনা তাকপিরকই। মনাওগী

হঙংচরকই ইয়ম্বা য়াইমনা হাইবহুনা পাংথৈ। মহাক্কী মবুক্কি দুম্মি করি থলকিদে। পাখংবা খোইয়ুমগী মীমম্বা বাখল অজাংবী কোনিং মহুং থারবদি- ঐনা, হম্মা, য়োগম্মি- হায়না খৈরৈ পাখংবা।

উ তুরেন্না থাংলেকপা।

অমুম্মা লাইনিংথৌ, মচিন- মনাও অহলম্বা য়ুমপোক তাম্নবা লোইরহুনা উত্তাম থাবক লাককনা লাইনিংথৌ অহলম্বক তেংথৈ মথং মথং উত্তাম থারফই। পাখংবনা মাঙদা, সনামহীনা মযাইদা অহুগা তুংনা লাইনিংথৌ অহন্না মচিনমনাও অমক্কী উত্তাম থারে। মচিন মনাও অমক গুংসিবা বারি সানবই সানৌতান হেংল্লো মাণ্ড থানবা হায়না মরাক্ত তনীনা তাকপীরকই। অহুগা ইয়াম্বা অহন্না সানৌতান, সিদবগী সনা নাক যৌথ্রা হযনা লাওথিরকই। পাখংবা হরাওনা উত্তাম হেংহুরক্লবদা সনা-মহি মচিনমনাও হাইনরকই। সানৌ য়াইমা নহাকপু হোনখরো হাইনা চিঙ্গোইরকই। মযাম্বগী বাহৈ তাবদা "বদাইদা পল্লহোংগ তাকপীরিব না" ইয়াহনা হংবন্ত ঐগী তপেননি। ইয়াম্বা লৈনা লৈনা ঐনা করম্না লনথুংদগে? সানৌসি চঙাং নাবা থইবনা, লমথাখিবনি। ইয়াম্বগী সনা য়াথং মতুং ইন্না মনাও ঐগী বাখলদি ঐগী পামজবা ইয়াহনা ইন্নম হান্না থুংবনা পাম্মী ইয়াম্বা মক্লোকনা, খেপা লমচুরোই।, যাংলৌ লমথাবিরো। খোংলোইরবি মালেম, লৈমা, পাইনা থৌনিজেরে। মনাওগী বুহৈ, অহু, তাম্বা, লাইনিংথৌ, মচিন মনাও, মাংজুং থীপনা উত্তাম হোংলকই। অমম্মা হোরলজিংলে, মথৌ মমিদা।

লুরাং চান্নু, চান্নু লিক্লা অনিনা ইন চিংবা

লুরাং মরুগী মমোমলোই লুরাং চান্নু, খুমন মরুগী, মমোম লোই লীক্লা চান্নুসিংগা মনাই মসল লোয়ননা নীঙোল ফুরেংনা তরাংখোং মরুদা লেপ্পে ঙা তান্নুনী। হুয়া ওইবীসিংমা তুখুন মতুং ইন্না লাইজা ইরোম্নুং। ঈন খাবহুনা লেপ্পে ঙা ফারম্মী। অসুম্মা নীঙোল ওইবী মখোয়না লেমলে ঙাঁবী থেঙ্গিবা মকাই-ফমদা, লাইগী মপারী তনা থারক্লিবা উত্তমসিংহু য়োরকদোরে। উত্তমা হোম্বরকপদা লাইজা ঈপোম হোম্নকপদা নীঙোল ওইবী-সিংগী লেপ্পে ঙানা লকপনে, ঈম্বাল তোয়বনে, অসুম্মা ঈন্না তোঙনা সোল্লিবা ঙানা য়াম্না লকইবা অচুবুরা উত্তম অসি হোম্নরকপননি।

লুরাং চান্নু লীক্লাং চান্নুনা পাখংবা ফাম্বা।

মতম চানা পাখংবনা লাওরকই হো নীঙোল ওইবী হুক্তা মখোয়গী ঈন অচু অমুক্তা সোনগৎপিয়ু। ঐগী উত্তম অসিনা খেংবা তাক্লবদি হুক্তেল অচু তেকপা তারে। পাখংবগী খাবা মপাও তাখদা হুয়া ওইবী মখোয়না ঙাংনরকই। খোইনৌ ইচা চান্নবী, নখোয়বু তারিত্র? তপা অমনা উত্তম খাহ্নকা, লাইজা ঈপাক অহুক চাওবসিবু থৈতুনা চৎখিগেদি হায়রেদনা ঐ-খাইগী ঈনবু সোনগৎলু হায়হুনা, য়ান্না মপাও লাউমক্লৈনে। চামবী ইতা, লুরাংদিংথোগী মমোম্নি খঙ্গবা ঐখোয়বু। করি-গুম্বা মহাক্লা খেংবা মতাং থোক্লবদি তম্বসে ফাসিদা। য়াম্না ফগনি ইবেম্মা, ফাদি চান্নবী। ঈন সোল্লগুমসি হায়বা। হায়রি-তৈদা মতম অসিমক্তা থেংঙেনে। অচানবী ফাও "হা ইবুংঙো"

থঙৈবিদবনিনা ঙসিদি ইপন নকাইদা য়ারম অমা অনিদংদি হায়নদবা য়াদ্রেদো। প্যাখংবু ফাম্নদা হায়জরকই। সানা মদোম মানবীথোয় থাদোকউ ঐহাকপু অমদি উত্তমস্থু থাদোবগীনু। মরমদি ঐবু পোকপা পম্থোগী চৈরাক মতুং ইন্না ইয়াম্বা অনিগা ঐহাকা ইরৌ সিন্থা পাংবা লাকপনি। মসিনা নত্তনা তুংদা লাকইবা ইয়াম্বা অনিগা ঐহাক্তা ইপল পম্থোগী য়াথং চৈরাক মতুং ইন্না হোল্লকইবা উত্তম অসি ঐনা হোনবতা নত্তনা ইয়াম্বা অনিগীস্থু হোলস্কইবনি। অহাম্বা তাম্নরিবনি। ঐবু পোকপা সিদবা মপু সনা মাংদা য়াথং মতুং ইন্না হানা তামরিবনি। অসিনা থাদকপীগু ইবেম্না হাংজরি। পাখংবগী মপাও মরাইহে তাবদা হৌবাং চান্দ লাংচাক্লু খুমন চানু চিক চান্থু মপাও চানু থাঙ্গান চানু পুং চানু খুম্নেম্মা চান্থ নিংথোল মখোয়না হায়রকই রাইহেদো" রাইহে অদুদি। লুরাং চানুনা পুং-পাদা থম্মসি লুরাংগী লুখা থানাসি হরাও মুংঙাইনা কুম্মে তৌরগা তম্বসি লুরাংগী মুঙ্গোইবী সারেল চললসি। অম্মা পাখংবা নিংথোল ওইবীসিংগী মরক্তা য়াম্না পাওখুমযম থংদনা লৈরিবদা মসাবী অনিমক্তু মনাও কচুনা খংনিবা মপা অদুদা পাখং লৈসা বারি সিনবুন্নবনি হায়না থন্দুনা লাগী সম্বুনা উত্তম সমতুনা চিংথম্ম্রে। অদু নোংগীবু পোইরৈ লমদম তংদদি অরাং পোইরৈ পাংলেন কোন, থারৈ মাদি লমম্থুংসি, চিক চিক পোকপী সম্জিক লম, থাবা য়াকাপুং কৌবা লাইসোইম। অরাং চিরিক উম্মুংতা লমলেন থেঙ্গ চিংজিন হঙ্গেন হায়না লমথোলজম্মী। অদুগা অমুক মচিন মনাও অনিন। উত্তম পুথরক্লে। অরাংচাউথোং হিদেন

মরিন ইন্না থাজু নাহাগী তোরৈ লাক্রে। অসৈ পোকলেনকোন, লমলেন অহোংদৈ য়াওংথেন চেংলৈ উদু তা, কংলৈ পুংময়োন মঙাং মরু সিদবাগী ভিথাংকমদা লাইনিংথৌ মচিনৈ মনাওমক্কী উডম্বা থুডরে। অদুন্না উডাম থাংজিল্লমলগা লাইনিংথৌ মচিন মনাওনা লাইলেন সিদবগী নাক্তা চডথ্রে।

লাইলেন সিদবদা পাওদম্বা

ইমুং চংলক্লগা তেংপানবা মপুগী সনা মাংদা পাওদমখে। সিদবা মপু ইবুংঙো চানবীবসু মপু ইবুংঙোনি, পাওতাক পীবীবসু ইবুংঙোনি লাইলেন সিদবদু হন্না হৌ থৌনিজনি ইয়াদা নাপী চক একসমদা চোবে হেৎ মালেম লৈসা পাহনা। সানৌ ইচিন লোপমকা উডম থুংলরে। সনা মিংয়েং তাদ মু। নপারা অনিগী মপাও তাবদা, সিদবনা হরাওজদুনা উডম য়েংবা লেংথোকপিরকই। মতুং ইনজরকইবা, সিদবী পালেম ইমাসু মপুগী মপারীসিং লোইনমক উডম য়েংবা মপুগী হৈনা মতুং ইন্না সিদবনা লেংথোরকপদা য়াওজরকই। মপারী অনিগী উডম অদু উবদা সিদবনা হাবাওরদুনা য়ারা মপাও হংলকই, নচিন ননাওগী উমে অসি অ সনা :— ননাওগীর ? অসিদনা নমাইরংগীরা হাইনা তাগীরকপা সিদবা মপুগী সনা য়াথং তাজবদা থুমজরকই। নিমরা মখা থংলিবা অসনা মপাবী সনামহী ঐহাক্কীনী, মরাং থংলিবা অসিনা ইসাবা অহনগীনা।' সিদবানা য়ারা অদু তাবদা মপারী অহনবু চিংনা য়েংলগা পারি চৈরেহন নহাকা মাং থান্নব্রা'? সিদবনা মপারী অহনবু মাংদা চৎহন্নিংবগী য়াখল উবদা সিদবী পলেম্মা ননাওতোন্দি, পারী ইচা পাথংবদি

পোইরৈ লমদম কদাইদা লৈহোরে। সিদবীগী য়াবা তাবদা সিদবনা চরৈ নাওহোংতোনদি? পলেম পনথৌ অনীমকী বাহৈ অহু ভারগা লাইনিংথৌ মচিন মনাওনা সানৌতোন্দি উডম মাং থাহুনা চৎথরবনি অহুবু মহাক্তি উঙম লুরাং চগু লি-ক্লাচসু অনিমক্না ঈল চিংলম্বদা ইনাওগী উঙম্না থেংহুনা হুঙ্গেল দ্রেক্লে হায়হুনা কাহুনা লুরাং মকাইকম য়ৌথে হায়না তারকই। ইচিল ইনাওনা লুরাংগী মকাইদা চৎলগা সানৌ মাবূ কোরু-গদবসু, সিদবা মপুগী য়াথং তাদবনিনা কৌওমদে। অসে হায়রগা লাইলেন সিদববু থৌনিজথিয়ে।

মোংবা সঙ্গাই কারেন্স ফস্বাল তাকপা

মপারী বাহৈ তাবদা, সিদবা রাথল নুংঙাইতে অস্নুম্না তাকপীরকই। পারী অনিদা, পারী ইবুংঙো অনিমক, নপলগী য়াথং মচুং ইয়া। ইপল পনথৌগী, মোংবা সংগাই, য়ুম সাও তেকপি ওক্লোন সাও। কাইনা য়েক্লোল সাও, কৈবী-কৈরেন সাও, হুকচাংগী কায়াৎ লোনা সিদবা সিদবী অনিগী মওং মায়া পরিং লাওলওথা, উক্রাক মাইথোং য়ান, মালেম লৈফম লোয়া মপুগী কানা, অসিনি পলেমগী, লৈমরেলগী কানা অসিনি, পারী নচিম মনাও অহুন্দকী। কানা অসিনি। ইমোম অনিগী কান্না নিঙোল কা, অসিনি। ইমোইন্নু লাংওন ৭কী ফস্বাল লোন কা, কোরী নোংগী মওং লৌ মালেম লৈগী মওং তম তাইবং পানবনা লৈননবা, খোইয়ুমগী লাইনা

লৈনবা, মীগা লাইগা সিদবা মপু ঐগা, পাক্লী ইমোম নখোয়গা লৈনবা 'অপুনবা' য়ুমলেন সাও'। সাবা লোইবা হানবা, সেম্বা 'লোইবা হানবদা' নপন ঐনা 'খোয়দবা য়ুম অপুম্বা অদু, হন্না উহনবা পাক্লী ইচাদি লৈবাক মপু সোয়দনা ওইগনি। পহৌ এগা, পলেম পোকপীগা লৈননবা য়ুম হান্না সাও। অহানবা সাবা পাক্লীনা কোন্না লোইরবস্তু মনা পীবা য় দে। কোন্না সারবস্তু হন্না লোইরবদি ঐনা মনা পীগনি। মনাদি ঐবু যোকপনি। মরম অসিদগীনি কমফমদা লাইবক্তা হান্না কৎলীবা খোইরুম লাইনা সাবনি লাইগী হুরী রামাংদা হাইরীবা রাহৈ দাস ভম্বরদা মপারী ভনিম., পোকপদগী সাদ্রবা যুম্বু কম-দোনা সাগানা, হাইনা খল্লকই। মপারী সনামহিগী ভরাবা রাখলবু উবদা সিদবীনা তাকপীরকই, মপারাদা নোংমগী কোরৌ হুমিৎ অমদা পাক্লী সনামহি। পলেম অপোকপী কো-থৌ থক্তা রাংবদি পঙ্গৌনা মহেল্লৌ, মালেম লৈনা লুপদ পলেম অপোকপীনা মরুম্মী, মপারীবু কৌবাবা করম্বা সনা য়াথংনো তাকপীরো। পাক্লী ইবুংঙো মতম মাংহনগনু, সিদব মপুনা মোংবা সংগাই সাও হাযহনা তাকপীরিবস্তু লমজৈ নাক্তা চংসলু। সিদবা লমজৈ হায়হনা নিংথৌকন। 'লমজৈ অদু পুরক্তগা পলেম ইমানা ... । রাহৈ অদু তাবদা সনা মাইনা লাইলেন সিদবগী কাদ ... সিনখ্রে। হঙ্গহলি সিদবা মপুদা হংগৎচৈ। হৌদি সিদবা মপু লমজৈ য়াওপ্রবদি করম্না মোংবা য়ুম সঙ্গাই সাগৈন লাইজাপ-বিয়ু। সিদবনা পাক্লী ইবুংঙো, লমজৈ পীয় হুরবদি 'সদার্বি'

পলেম্মা পামেললরকপত্তু, খুদেবগী মরম্মা সিদবা, পলেম ইমানা তাকপীবনি হয়ি সিদবা ময়েক্কা ইপানি, কোম্মা ইমাবি, তাক-পীনা পলেম ইনানি হয়ি সিদবও। লমজৈ য়াওদ্রবদি সিদবি ঐতোন্দা লম্সিং শেম্পা য়ারোই। সিদবিগী লমজৈ লৌরুখো লমজৈ অদু পুবগা তাইবংনা লৈনবা মোংবা য়ুম সঙ্গাই কায়া য়ারগনি। থাংদি পলেম ইমানা পীগনি তাকপীরকই হয়ি সি-দবা, লমজৈ পীবিয়ু। মাসম লৈসা পাইনা থৌনিজে। হয়ি সিদবা মকাদা, মপারীগী মতৌ অদু উবদা মচাগী মরা মপাউ অদু তাবদা, হয়ি সিদবনা পাইমা খোইদারদুনা পারী লমজৈ পিবিরগে। সিদবনা লম ওনবিরবা লমজৈ পীবিরবা, মতমদা সিদবিনা মালেম লৈসা সেপাপ সনামহি, য়ুম্ফম খোনবা হৌখ্রে লাইগী মসাদগী লম পুথোকখিবনি, অদুনমি তাইবংগী লম্সিংদা চাওবা পাকপা সাংবা মরাক ময়ু ওয়ীবসিনি। অসুম্মা পুংফম খেনফম, য়েংদুনা উখুল তাল্লগা খু রেল য়ুংখ্রে। অসুম্মা য়ুম সাবা লোইরদুনা হয়ি সিদবদা য়ুম কৎলি। লাই ময়াম্মা য়ুম অদুবু উকুবদা হয়ি সিদবগী সনা মফম লাংদা হাল্লককই।
— হে তেংবানবা সেম্বীবা মপু, কদক নপারীনা সাজবা য়ুম অসিগী মমুংদা খোইয়ুম ঐখোয়গী লৈকুম পীবিয়ু। — রাহৈ অদু তাবদা তেংবানবগী মপুনা চৈনবা মুংদা হুরাও হুঙ্কাইরা পোকখি, সিদুয়া সিদবী সনামহি তাইবংগী থরাই, মওয়া মকা লোয়ননা হয়ি সিদবগী পিরুকলুংদা খনখিবা, বাখল সুম নিং-সিংলরদুনা, ফুক্কিংচি পীবরেল, ফুকিং সনা লাইঅরেক, পীরি ইচা সনামহিদি তাইবংগী নিংথৌমু ওইবা, লাইগী নিংথৌমু

ওইবা। মহাক্না লাজবা য়ুম্নীনা য়ুমগী মপুস্থ ওইবা, ঈগী মপুস্থ ওইবা, সিদবা মপারী ইবুংঙো, লাইনিংথৌ সনামহি, তাদোই মরুপ্পী উমা নহা চিংগোংরোইবীগা ফপ্লাল লাংদা লৈয়ো লাং-ওন অনদা সম্বোং অপান্‌বস্থ ঝানী, সম্বোং ময়াইবস্থ ঝংনী পুন্নমক লাইনিংথৌইবুংঙোগী লাইচংনী লাইগী লীক্লমী। অস্তুমা হয়ি সিংবনা য়ুমদেন উনবীদুনদা মপারিনা সনাগী মহীরেন ওইরবা মতমদা হয়ি সিদবা সিদবী লাইনিংথৌ লাহরেম্বী তুবী লাইয়াম সরোই ওারোই পুন্নমক্না চেকনিন্না থমবীরে মতম-তুদগী থোইয়ুম লাহয়াম্না থৌনিবা (থুরুবা) হৌদোকখি। হে লাইনিংথৌ হয়িগী মহক অথোইবা ঐগী ইবুঙো নহাপগী ঐনা থৌনিজরি। তেংবানবগী হিয়াই অফবা পিবিয়ু থোজাল লনকুবীয়ু লাইনিংথৌ। অসিবু হয়িনা বাইহেগী মপুংদা ত.কপিরম্মি। মরমদি চন্দক লাইনিংথৌ সনামহিনা সাবা য়ুম অসিদা হয়ি সিদবনা কারণ জোবদা হয়েং থঙহোনবা য়ুম অতুগী মপুংদা অরেম্বা লম থাকএ। মপারী অহম্না হল্লক্লগা লৈম্নবা লমনি হায়য়ে। অতবু হ য়সিংনা তাকপির না তেংবানবদি লৈহৌরনবা হায়ঙুনা কাম্লপ্লিম্লগী আওয়া লাংওন লাকপদা চতিয়াদগী কো-লোই জৌদনা মপারী ঙহনদা লাংপুন ওইথয়ে।

পাথংবনা লুবাং চনু পুরকপ

অহ্না পাথংবনা নহ লুম্নাংগী মকাইকমদা লৈহৌরক্ল হল্লক্লে। মতমগী থোংলৈ য়েংদনা পাথংবা মদোম তরক হল্লক-তেয়ে। লুবাং পুংদা ম ৎপা সিঙেল লৈবু তম্বা থুজেং পালোইনন্থনা

পুরকখিয়ে হায়য়ে । সিঙেল লৈবাং অহুবু লেম্না মাংবা য়ামদবশিনা সিদবী, হয়ি সিদবা অনিগী সনা মাং অমদি য়ুমলোনহুংদা কৎচরৈ। পাখংবগী মসক উবদা পুরক্লিবা লৈরাংগী চেংলৌ অহু উবদা, হয়ি সিদবা সিদবী অনিনা পুন্না রারী শিনবুংবৈ । হয়িনা সাওই, সিদবীনা নোকই। কংলৈ মপু সিদবা সিদবীনা, লুরাং চহু মহাকপু নৎনখোঙ থিংথি । রাহৈ অসি তবদা পাখংবনা পায়মা উনবী মহুং হোৎহুনা সেনবী মখোই সাওরহুনা হয়ি সিদবদা রাকৎখি। হয়ি লাই সিদবা তাবিয়, পুরক্লিবা সিঙেল লৈরাং অসি খোইজিখাদা গিহুনতম তিল্লাংথাদা মরুহন পায়মান্নংদা হৈরাং মরু তমথবনি । লুরাং মকাইকমদা সানৌ মহাকপু সেৎনা খাইনবা মতম নত্তে । মপাম কাদা হনরাইরো হায়বদা ওমলরোইয়ে হাইয়ে। মপারীগী রাহৈ তাৎবদা হয়ি সিদবনা লুরাং মখুনবুংদগী খাজিং উপান থা কংলৈ মপু ঐহাক্না মমোম য়াবিনবা লোইপোৎ কাজৌ । থাংজিং লোইমোম মপানথা, সনা লুপা, হৈজিং লোইপোৎ চান্না চান্নানা থুজিং ওইনা কৎহনখো। নপন ঐনা তম্নীবা চৎন লমদংবু কাইকদ, অসি হয়না হয়ি সিদবনা মপারীদা তাকপিরকই সনা য়াথং পারীনা হয়িগী য়াথং পুরগা, মসানৌ লুরাং মখুনয়াইদম কাওজা মমল পুরক্লগা, হৈজিংপোৎ পুরক্লগা হয়ি সিদবদা কৎচাখ। হায়িগী বাখল, সিদবী পলেমগী নাপল, চৎনবি লোনচং মহুং ইম্না হয়ি সিদবা সিদবী পলেম অনিনা খন্নবা লোইরহুনা, মপারী পাখংববু মকা পিনা লুহোংবিরে । হয়িনা

পেনবিরক্ষুনা কংলৈ নিংথৌ পাখংবা হায়গী কমদা হাইবদি অসৌ-
ইখদো কোকপিখিয়ে। অদুম্বা হন্নিনা মপায়ী পাখংববু তরা
খৌয়া তাকপিরকই। পায়ী ইবুঙো, ইপায়ী পাখংবা খোনবদি
নপন ঐনা কাওরেন সনগী লাংঙেনদগী ইপাবু মসক থংবা, ছি-
রম খুদিংমক থংবা অতুদগী পাখংবা খোনখিবনি। কোয়ৌ
নোংসেম্বা লোয়রবা, মালেম লৈসেম্বা লোয়রব, মতম অতুদা নপন
পান্থৌ ঐন, নয়াম্বা অনিবু খোয়ৌ নোংগী, মপু ওইনবা, অতুগা ম-
লেম লৈময়োনগী মপুগী কম্বাল পিগে হায়দুনা কোয়ৌ নাংথেং কোই-
হনখিবনি। মালেম লৈ.থাং কোইহনখিবনি। অতুগা নয়াম্বা অনিনা
সোইরবা মতমদা পলেম্না তাকপীদুনা, হৃদয় ঐনা ফম্বাবা ফালথোং
৭লক কোইরগা ঐনা পায়ী নহাক্কী ওইজৌ হায়না পিবনিদো।
অতুবু নয়াম্বা অনিনা বাক্ষবদো নপন ঐনা খৎরগা ঐগুম্না লৈ-
সেম নোংসেম্বা ওয়বদি হায়না নয়াম্বা অনিবুদি ঐনা ফম্বাবা
ফম্বাল পীররোই। পায়ী নঙগী য়ারাগা শুংসিবগা নপন ঐনা
থুপঞ্চগা হে নরা নহাকপু নওং থংহোররোইদা, নরন খঙল-
রোইদো, ননিং থুংলরোইদো হায়দুনা, নপন ঐনা নয়াম্বা অন-
গী ঈরেমথাক্লিনা, হায় ঐদী য়াথংদগী পায়ী নহাকপু হপানা
পাখংবা হাইবদগী ইবুধৌ পাখংবা হায়দুনা, ইপাগী ওহুৎ-থরন
কমথেনাসবু নহাক্কা পীথোক্লকপা কুহরবানদো পায়ী। নপন
ঐহাক্কা নহান কাওরেন সন ওইনা লাকপদমু ইচাগী কমথোন
পীব্রবনি। অসিদা নঙনা ইচাগী ওইরকদোরিবা হুয়েং নোংমা
কাওকা পালহৌরো; অতুবু নপন ঐনা হ'লিবয়ি খুঙ্কইউ, ইবুং-
লোম্পা হাইরকই ১,৬উ পায়না কৈশোক-লৈপাক্, মুউ অমথুক্কা

ওইবা মহাক্না অতুদগী মসা মরোং য়ামদুনা মউ অতুবা কংখিবা মতম অতুদা মসা মরোংসিংসি কংলক্লোইদ্রা ? মউ হুহু হৈ-লৈ ওই মহাক অতুদগী মউদো পাৱরী. নহাক মরক খুড়লব্রা ? বাহৈ অসুম্না তাকপীরবদা, মপারী পাথংবনা খুমলকুই তাইবংপান মপু মউরেন্দি হায়রিবা, হৈ-লৈ অপুংবদো হয়ি লাই শিদবা নত্তনা কনামত্তা: লৈতে শিনবতুনি। অসুম্না হৃদয়চরক্লবদা মপারী সনামহিনা য়ারোইদবা উরকপদা, হয়িনা পাথংবদা তাকপিরকই পাথংবা নহাক্না ওইরিবা কমসি মতম কুইনা ওইবা হায়না থল্লবদি, ইগাবু ব্লারৌগনু। চীঙ্ক লাইদি কল্লক চাওবানি খোইয়ুম লাইদি য়েংখিনবনি, তাইবং পানবদি মিংহৌনবানি। নহাকী নফমদা পঙ্খৌ ঐনা পিরম্বা ঙমলরোইদবা অকাওবা তাক্লগা ঙমলরোইদবা, ইপাগী বাথল হৈগী মউ, পোক্লবা হিংম্নবা ইপাগী হৃকচাংসে মতম অমদা নম্বাম্বনা বায়খ্রে। নখোয় লোয়নমক্কীসু ব্রাওখ্রে। অসিনা পাৱী পাম্বাগী অকাউবা পাইমা বাথল নহাকী নরোসিং নয়াম্বদা নখুৎ তরা লোম্না তুবা সংনা তানা মতম, মতমগী নিংসিংবা থৌনিজৌও। পারি নংনা থৌনিদ্রবদি নহাক্কি অমাঙবা থৌনিবদা পিরক্কবা হৃদয়রুবদা তাকপিরকবা মতমদো নপন ঐগী অমাংবনি। মরম অসিনা নপন ঐবু হুংসিরবদি চীয়জৌ নয়াম্বদা বাহৈ অসি তাবদা পাথংবনা ইয়াম্বা লৈহৌনিংথৌ সনামহীরেমা নপাক্কি ঐনা হায়জককনা চিংকবদা [illegible] বদি, হয়ি শিনবা [illegible] বাহৈ অসি তাকনা হয়িনা :— [illegible] । [illegible] পিরকনি। লিয়রোই হাইরবসু হয়িগী য়াথংনি হায়ু। নয়াম্বু কাও-

গনু 'নহাকপুত্র নপাদু' কাউবনা মরম্ম "মাবা অইদসু। অদুমা হয়িনা পাখংবু "(মোয়রেন তাম্বা) মিত্তিয়া" কাউবা [illegible] কয়াল পিথবনি। তাইবংগী লিলা সাম্মৌ। তাইবংবু [illegible] তাইবং মীগী মউ মংউ হয়ি ঐহাক্কি। তাইবং ওইনা নংগী থবাইনা চংহনা পোকপা ওইথরসু। অদুগা হয়ি লাই অথোইববু নিংথা পিবিরমগে কাওগনু, তাইবং পানবনা নিংথৌ ওইরগা পাথংবা নহাক্কী চাকচা দ তাইবংনা নহাকপু কাউরগা অরা ভনা ফংব, নয়াম্বা কউরগা তাইবং পানবনা মপল মরা [illegible] নংগনি। সান্নৌ নাচিক [illegible] হায়েং তাইবংদা খোঙ্গুম [illegible] হয়ি লাই [illegible] পাইংবদা [illegible]।

হায়েগী সনা পুরংদা ম[illegible] লেইরিক চিজেন থায়াদরনলগে হায়না থল্লকই। [illegible] কা জুখুম কা প[illegible] নংগা কানি। লম্মেন কা ফম্মেন কা [illegible] নংগা কানি। পারী ইবুংঙো অচৌবা ভহনবা নংগী কানি, হয়ি ঐনা [illegible] যুমজিং লাহজি, নাকথং নাকথা [illegible] কারলগা বাংমা লামা নহক্কী কানি। পারি [illegible] কাদি [illegible] কা হয়ি লাই ঐনা লৈবা কা ফম্মাং কা সম্থোং কাদি সনামহি নংগী কানি। কৈবী কৈরেল কুপ্পি ইমোম নংগী কানি। নিঙোল কাদি মহুমোক্কি ইমোম নিংথৌ লৈমা চহনবী কানি। অপানকম [illegible] কাদি [illegible] পুমমকী কানি। তাইবংগী [illegible] কাদি [illegible] [illegible] কা [illegible] মেংকোল (ভেকোল) কানি। চাবদি হয় এন. চামবুবে পারী নখোম্ম অহবনু

চাগদবনি। ইমোম নখে য়সু, সিদবী লৈমায়রল ০হ কন্থ চাংলবনি। তাইবংনা চান্নিবমথে চাগদবনি, হায় সিদবগী মাথংনি কাউরোইদবনি হায়।

খুাই লাংমৈ মিয়্ থংবা

তেংপানবা মপু সিদবনা থক্লকই পাযমামুংদা হিবি কন্না থল্লী। ঐহাক অসি তাংবা ইমৈ লোমগাদোরি লাইরেন ঐগী উতোং তংকাদোরে। মতমগী মতুং ইন্না তেংপানবা মপুনা অত্তমন্থবা লাংওনবথ্রে মরিম্নবদা তাওব। তুই ওইনা লাংওনখিয়ে। অসি অদুং নোংদম নোংখাইখীযে সিদবা মপুনা মতম অসিমক্তুদা ইমোম খুাই লাংমৈতানবু থযাই থক্তা লেহ্পুনা লৈরোং-লাইদা কংতুনা ইমোম লাংলেন থাজবা মতম ওইরম্লে। লাংলেন খুাই লাংমৈতোন অসিবু সীতেল লৈচিনগে হায়বা, তাউজিং হৈজনগে হায়বা লাংলেন হচাগী মোংব যুম থুংফম ওইগদবা ইমোম লাংলেন মহাক্কীদমক, তম্বা অমত্তা লৈত্রবরা? অদুনা লাংলেন ইচা অমম য়াত্ত পাওহংলবা লাংলেন মহাক্তা হায়না হংযগী পায়মা মুংদা হল্লকই। অদুগুম হংনা থগ্না মতম আসমক্তুদা পালেম সিদবা লাওনে ঐগী নাক্তা কোমসিল্লি। হয়িনা হা সিদবী পলেম। নিঙোল পোকপী পলেম নহ কপু নসাবী ঐগী য়াবা তারবদি বাংলেন তাহহাক্তা থোঙদে হরবড নসাবী ঐগী নাক্তা, হয়িনী য়াবা তারবদা সিদবী পলেম হমানা সনা য়াথং তুংইন্না — পলেম সিদবীনা ঐবু কৌববু করম্বা সনা য়াথং তাকপী নবনো' তাকপিয়েদনা। পলেম সিদবী চেংলৌ সক্তম

ওহদা ওইখিনা মপুনা পাইমা মুংগী বাবু নাপৈ চেবুনা লেং-দোকবা মতম ওইরে। ঙসি নহাক্না হায়যবা নাইদি ইমোম লাংলেন খুাই লাংমৈ মিসু থাজবা মথুং মতম ওইরক্লে, অমসুং নহাক এহাক্তি বোংয়াং সাংলক্লে। তুংলো চেংবনা কুরক কুক থাংলে অহনগী মতম ওইরক্লেদো অহনা লাংলেম ইচানা ইমোমগী পায়মা মুংগী রাখল অহু পলেম ওইবী নহাক্না হংউ। চৌঙ কনাগা হৈবাং লোন্দিন্নব', পোইমুম কনাগা সুরী নামুং নৈনবা লাংলেন নগাকপু, পস্থোগী য়াবা ভাইবুরা, পলেমগী য়াবা ভাই-বরা? মংপুক অসিনা তয়া লমতং তমগের? ইমোম নহাকী পায়মা পুরিং যাবা অতুবু খংডকউ হায়তুনা নপন সনা য়াথং মতুং ইয়া ত্রাকপিরকই।

পলেম সিদবীনা খুাই লাংমৈ মিসুক পাংবা

অসি হায়না পলেম সিদবীনা মনোম য়ারা নপাউ লোক ইমোমগী থাজবা মতম হৈনখিদোরে হায়বা থুড্রক্রবা। সিদবী পলেম। সিদবী হ'য় লাহ মপুবু এথা... । অসুম, হুখি মসনা য়াথং মতুং ইন্না মমোমগী না। থোডদোহরকই সিদবী পলেম মমোমগী চেংলো সক্তন উপা ...লেন খুাই লাংমৈ মিসু সাঙখোং সাকবী ... লাংলেন ...দ, য়ারা, অমত্তা, চিঙ্গাইগে পাইমা ফিগে সেংনা ...মোবা। ...না সিন্নবা পলেম অপোকপী সনা য়াথং তাকপীয়ো, পলেমগী য়াবাবু কেং-রৌ থক্তা কাফিরোই। ... লেন তফ ... য়ু, চরি ফিগাও সানা লৌরিগে ... অপোকপা ... নমোম্না ... পলেম মখা... ... ... লেন খুাই

লাংমৈত্তোন মীহু ইবেম্মা নপন ময়াথংনি, পলেম্মা হৌবা নত্তে। তুগী ওইবগী মাঙং লিচংতি, পলেম মমা ওইবসিংনা থংগদবনি হায়ে। ইমোম নহাকপু পাইমা হৌংদা চৌংঙু কনাগা সরী নামুং লৈবগে ? লৈত্তবা ওইরবদি লাংলেন নহাকপু নপন থাঙা মীঙোল কাদা লোইমোম ভোমসাংনহুনা কেমলগদ্রা ? নপন কোলোই নয়াথংবু ভাইত্রা ? নপন নয়াথং ভাইরবদি লাংলেন পলেম নমা সেংনা চিঙ্গোয়রগে। সমানা লৈ ওইনা লুপানা লৈথেংনী, তমং খুসিংনা লিক্লাং ঙককোয়না চরৈ ফিরোল তম তরেঙ সেনফাং য়ৈ। য়াইবী পুংফাও থীন, থরাই থক্তা লৈহৌপ্পা, লৈরোং লাইদা কং, চৌংঙু মহাক্কী মফম লাংদা থৌনিরবা তম্বদো নহাক্কী ওইগ্রত্রা ? পলেমগী রাহৈ অসি তাবদা নমোম্মা পলেম অপোকপী চৌংঙু মাগা সরী নামুং সোন্নথে। খোইয়ুম মাগী মপাও তাদনা হন্দকমুক্কী মপোক লাংওন সিমদি নমোমদি ময়ান খোঙচৎলরোইয়ে। মমোমগী য়াবা তারমদা পলেম মমানা পাওহংই। মমোমদা — পলেম ইমাগী লাংলেন ইবেম্মা চৌংঙু কনাগী মচানো ? খোইয়ুম কনাগী ময়েক্নো ? ইমোম নহাকপু সরি নামুং পল্লেম্পিবা তম্বা অদো ইমাদা কোলোয় মিংলেন তম্মু। পলেমগী য়াবা তাবদা চৌংঙুনি হায়বদি মথওই পলেম, খোইয়ুম মাগী ময়েক্কি নমোম ঐগী য়েক্নি। তম্বা মহাক্কী কোলোয় মমিংদি ভাইবং পানবগী মপু ইপুরোইবনি। অহুম্মা নমোম্মা পলেম ইমাগী মফম লাংদা নাপা চিক্না য়াবা চিঙোয়বা লোয়জরে। পলেম ইমাগী লাংলেন ইবেম্মা লৈহৌরো। নপন পহৌ সনা মফম লাংদা ইবোমগী নপাও তম্মুরিগে।

অহুম্না সিদবীনা হুয়ি লাই অখোইবা মকাইদা চংসিন্নকই খু-মাং তন্না লেম্নরগা হুয়ি সিদবা ইমোমগী য়াবা চিঙোয় পাঙ-কৎচবা, হায়সিদো সিদবী পলেম। সিদবী — ভাইবংশানবগী মপু পরৈ কিসি খাবিরোইদো? ইমোম ইচাদি চীংওৎ কনাংগা সরী নামুংবা লৈতে। খোইয়ুম কনাংগা লৈচিন্নবা লৈতে। ইপন ময়াথং, পলেক ময়াথংবু ভাইহিক্কবনি — হায়বরোই। ইমোম ঐ-হাক্তি চীংওৎ মাগা সরী নামুং সোন্নখে। খোইয়ুম মাহক্কা বাসক পন্দোম লোয়খ্রে। তুবী মাগা লৈরাং লোন্দিন্নরকপা লোইদাম মতম সাংলে হায়না প.উদম্লে। ইমোমগী উনবা মনুং খোনা পাউহৎলবদা, হয়া সিদবীনা মচাগী প.উদমক্করগা হুয়িগী অরাবা পোকই। হুয়িগী অরাবা পোক্লিদৈদা সিদবীনা হুয়ি সিদবা। ঐনা হঙ্গৎচরি। চীংওৎ কয়া সুবগে ত কপীযু। অতুবু হয়িনা পাওথুমদে। মতম অমদা হায় মহাক্না থল্লকই। খোইয়ুমগী হায়নবা য়াম্লে ভাংনবীরম্লে।

সিদবীনা খ্বাই লাংমৈতোন মীহ্ন পাও হংবা

কোরৌ নোংমগী হুমিং তামদা অহুম্না হুয়ি সিদবনা পায়-মান্নুংদা খল্লকই সিদবী, ইমোম ইচাবু চিঙোয় পাউহৎলু নপন ঐনা হায়বা ইনগত্রা হায়না পাওহৎলু। হুয়িগী রাহৈ তারবদা সিদবীনা মমোমদা য়াবা মশাও পাওমেনখি, পলেম ইমাগী লাংলেন খ্বাই লাংমৈতোন মীহ্ন ইবেম্মা, লাংলেন নহাকপু নপন মন্নাথং মতম ওইরম্লে। হিক্তোকউ? হয়েং ইদুংভানবদা নপন্না ইঙোন নংবু খাজনবোরি। ইখোম নত্তে য়ানিংদবা লৈরগা

ইমোম নুংশী নুপাগী অতু হায়রিবা পালেম ইমাদা। পালেম মমাগী ব্রাহ্মণ তাবদা নিঙোল ওইবী মহাক্না থমকই। পালেম অপোকপী নমোম্না হায়রিবদি ইপুনা য়াথং লৈরক্লোই। অতুবু নমোম ঐহাক্কীদি পাঙ্ঙমাগনুংদা থম্বদি তরেম স্নেহফাং দে। য়াইবী পুংজাও থীল চীংঙ্গা লোইনমক্পা পাউতাক্লগা খোইয়ুম লোইনা পাওজেল্লগা নমোম ঐবু থাজরিয়। লাইবক্না ভম্বদা বাইথুংলগে। ব্রাহ্মণ অতু তাবদা পালেম মমা সিদবীনা হয়ি সিদবা তেংপানবা মপুদা পাউদনবা নচাগী মপাউ। ব্রাহ্মণ অতু তাবদা হায়না সিদবী ইমোম ইচা মসিবু লৌবিনবা লৈত্রবাইদো। লাংলেন ইচাগী মপুরোইবা ওইরদোবা ওম্বা অতু সিদবী মহাক্তু বনানা হায়খিবা। হায়রিবা ব্রাহ্মণ অতু তাবদা সিদবীনা, হে সিদবা, হয়াস কদায়নো, হায়দাস কদায়নো :— চাসি মরু হন্দোকাস মতোং, লেমলৈ ভান। লাইজা ঈসং পাম্বগুম সিদবা এাদ পল্লিদা। হয়না কেদৌগুংগীনো ব্রাহ্মবো সিদবী [illegible] নবীনা [illegible] [illegible] হায়না [illegible] [illegible] বহুক [illegible] হায়নবা মবু সিদ[illegible] নহা[illegible] পাঙ[illegible] [illegible] এহাকবু [illegible] দং[illegible] চাংঙ্গা [illegible] হোই। [illegible] হায় সিদবা [illegible] অতুবু [illegible] [illegible] লৈবা[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চিঙ্গনা [illegible] অতু হায়না- [illegible] পায়না [illegible] [illegible]

তাই পুম্নমক মপু মাগী লিলামি। ০॥০॥

অতুগী তুংদা থাবারেল কৌবা অমিদা, হয়িমা চিংঙোই পাউ মেম্নকই । চীংদু নংলা চমকৌ লাগা থারগা সঁহেল কৈগা পুরক্লো থাবারোল নহাক্না সনা লুপা থাররো । হাইবদি, লাকোই অমা ওইথংবদা থংদু সনা হাপ্পু। হেং থংবদা লাকোই অমা লুপা হাপ্পু॥ থবি মচিন মনাওনা হয়িদি লান্দে পঙ্গৌও। লাল্লিবদি থবি ইচিন ইনাওনি। হয়িনা অতুদি থবি নচিন ননাও হল্লৱাইরো । হয়েং ইমুং ঙানবদা নপন ঐগী মাঙোল খেঙোংলাংদা সনাগী সেম্পাক মথক্তা হৈরাং লাকোই অমা লৈরাংগী লাকোই অমা কংলমগনি। সুমাং উরোং থিল্লমগনি। থাংজেলগী উরুই হকলমগনি। অসিনা চীংডু লোইনমকতা পাউদময়ো। খোইয়ুম লোইনমক্তা পাউদয়োং পাউজেল্লো । হয়েং হয়িগী সনা রাথংনি, হয়িগী সঙলেন্দা ইমোম খুবাই লাংমৈতোন মীনুবু থরাইথক্তা লৈহাপকনি, লৈরোং লাইদা কংকনি। সনাগী সেম্পাক মথক্তা, সনা হাপ, লুপা সেম্পাক অমা কংলমগনি। সনা পাম্বা লুপ্পা পাম্বা য়াওরবদি অহানবা তম্বদা চিংউ ঐনা ইমোম খুাই লাংমৈতোন নিচু ইচাবু পীবিগে। হয়িনা হায়বদি হায়না পাওজেলুখোম্না হয়িগী বড়ৈ অসি তারগা হয়িবু থৌ- নিজরগা, থবি মচিন মমাঙদা হল্লৱাইজে। [illegible] অসি হাইনা এগা রাখাল খন্দে, মফোম অচাবি মথাংদা অমুক্তা অহিং তাং- দো অথেংবদা হয়ি সিরবগী মেঙ্কবা [illegible] সীদি তাং- লিবদো হয়ি সিরবা সিরবী, পাউনা [illegible] [illegible] হয়েন্দ ইচাগী, মরুক উরুরোইরবনি [illegible] তাংলোই লুপা তাংলোই

পুথোক্ত্রনা সনাগী সেম্পাক মথক্তা হাপ্পগা মপালদা থনমলে। মচাগী খুদম সেমলক্লে। অসুম্না খোৱম অসি লাংলম্বা লোই-রগা, হয়ি সিদবা সিদবী অনিমকসু খোমলেন তুমখুল তান-খ্রে। অসুম্না অহিং অসিমা লেলক্লবকা ইমুংবা নোং ঙাল-লক্লে। চেক্লা লোইনমকসু য়াকায়রক্লে। খিংবা পাউহনচেক লোই-বী হেনবা অমুবা মুবা লাকথাং চেক চেক্লা মানা ইমুংবা য়াকৈরক্লে। চেক্লা চিচেৎ্রাইবী চানা ইমুংবা য়াকৈরক্লে। চেক্লা ৩৬৪ মকসু ইমুংবা খোন্থাং হাপ্পা য়াকৈরক্লে। সেম্বং চিচেৎ্রাবী চামা হয়িবু হৌদোরকই। হে হয়িনা চেক্লাগী মপাউ তাবদা খোমলেন য়াহৌরে, ইমুংবা মঙফাওরক্লে। খোংজিন নাতৈ কাং, নাকী পোরোন সংলক্লে। হয়িনা থোঙলেন হেক হাংদোকপগা সনাগী সেম্পাক মথক্তা থবী তাওহুইরেম্না ফমহুনা লৈরম্বহু উবদা পাইমা পুক্রিং মুংনাংহুনা তাউবা হুই অহুবু মখুৎ অনি থাঙ্গৎতুনা ওয়গা য়েৎবা লোন্নহুনা পাউখোং চেলি। হয়িনা মতম অহুমক্তদা, সিদবী কৌথোঞ্জনা তরেঙ সেনফাং য়ৈ য়াইবী পুংজাও থীন বাংলেন পুংথৎ তোয়না মমোম মচাবু পুথোরক্লগা চীংঙ্গ্র ময়ামগী মমাংদা খোইয়ুম লাইয়ামগী মমাংদা লাংলেন খাই লাংমৈতোন মীমু ইচাবু খরাইথক্তা লৈহাপ্পা থবী তাউহুইরেন অহুদা মচাবু কৎথোক্লে (লুহোংলে)। লুহোংবা মতমদা কুন্দো পরেং ১০৮ মতমহুনগী চৎনক্রবসু,' মরুওইবদি লাইনা থাবদি ময়েক সেংনা তাকনি। লুহোংবা লোইরবা তুং-দা মমোমা হয়ি সিদবা পম্বৌ বাহৈ অমম্তং হুঙ্গৎচরকে। ঐবু লোইবা অপোকপা নমোম ঐবু তাউবা হুই অসিদা

খাজরবনিনা চীংঙক্লা ভিনবা য়ারোই নমোম কদায়দা লৈ-জৌগে ? মমোমগী খাহৈ অদু তারবদা হৃয়ি লাই সিদবনা মুংগী উপু অমা চনবীরে অচা অখক হাপিরে ।

মিগু লৈমা থিনবা ।

অহুম্না তাউবা হুই তদুগা মামোমগা চংহনখ্রে । উপু অদু থিংজিল্লে । য়োংকী সো লোনসিল্লে । মমোম্না উপু মমুং অদুদা হায়জরকই । হা পম্বৌ অপোকপা, নমোম ঐহাকপু করিগুম্না হৃয়ি সিদবগী য়াথং অমতং পীনবিয়ু । নমোমম্না নিজনিংবদি । মুংগী উপু মমুংসিদা অহুম্মক লৈজরকপদা তাউবা হুই অসিং। নমোমগা, নমোম্না মোমু তাইবং মীবু ওইরবস্নু তাউবা হুইবু ওইরবস্নু পারী অহুম ইমোম অমা পোকচগে, মচুদি হৃয়ি লাই সিদবগী মচু ওইজগে, ঐনা পোকচগা ইচাদো সক্তমদি তাউ-বা হুই মালহনবিগনু মোমু তাইবং মী মালহনবীযু । অহুম্না ইদো মরি অদুগা ঐখোয় অনিগা ঐখোয় তরুক অসি চল্লক-বদা পম্বৌ মপা অসিগী হুইয়া মরিসিনা মুংগী উপুসিবু চিক-খায়বা ওম্নবদা, হৃয়ি উবা পীনবিয়ু নমোয়া নিজনিংরা য়াথংদি অসিতনি হৃয়ি সিদবা পম্বৌ । মমোমগী খাহৈ তাবদা হৃয়িনা ইপাগী লাংলেন্ ইবেম্মা হায়রিবা খাহৈদো লাংলেন, নঙনা নীংবা থুংজরো । নচা নুপা অহুম নীঙোল অমা পোক্লিংলিবদু পোকচরো । নচাগী মমিংদি অঙোবা য়েক অদুগা নমোম নচাগী কোলোয় মমিংদি তুবী লৈমা নপুরোইবগী তাউহইরেন খোম-জোন হায়না কৌবিগে । ইমোমগী কোলোয় মমিংদি খাংমলোই

হ'য়না কৌবিগে হয়িগী রাহৈ অসি ভাবদা নমোম ঐনা পোকচবা ইচাগী ইরম ইহৈনা করিনো? পীনবিয়ু হ'য় লাই সিদবগী মনোমগী বাহৈদু ভাবদা হৌনা নপারী ত ইন্দি লাইক্না. ইসিং সাগহল্লো' নপারী সীংখোং য়াইমাবদি মাসং নু সিং সল্লাহল্লো নপারী অভোরদি খাঙী মৈবু সল্লহনলো। নমোম লাংলেন নচাদি সনা মপান, লুপা মপান সল্লন্নলো। ইপাগী লাংলেন চংলে কো। অসুম্না হয়ি সিদবনা মচাবু হ'পলিবা উপুদো ভোয়েদা থাদরক্রে। মতম অসিদা নীংথোল পোকপা পলেন পখৌ মবুংমৌপনা লোইনমকপু কপাহৌই। তন্না রাঙমোই মীগু ভুবী লৈমদি মসাবী তাউবা হৌইসক লৌহুনা মৈতৈ সনা লৈবাকপু খাদোক্লগা থোংনাং মরৈপুং লান্না লোক তায় ঈরাইতা লান্না সমত্রা অচৌবা পাংতা য়ৌথ্রে। অসুম্না লোক তায় বাংমা অমদা ঈসিং ঈপোম্না লৌহুনা মুঙগী উপু অহু লৈরাই মপান্দা বায়সিন্দুনা লৈথ্রে।

পাং অচৌবনা লৈঙোই হাবা মফমদা লৈবা

মতম কুইনা উপু অহুগী মসুংনা য়ুম্বাললক্পদা ভেংরানবা মপু হয় সিদবগী য়াথংদগা মচা মুপা অহন পোক্লে। মুপী অমমু পোক্লে, চমু নাঙোলমু য়াওজরে। নমোম অমগা মপারী অহমগ মরি মুরক্লবদা মতুংদা মচা অমুক পোকাথত্রে হায়রে। মচা মরি অহু নোংমা হৌখিবনা চাওবা সংবা লেপতম কারক্লে। মচা মরিহুনা মপা মমাদা হাবা চিঙোইরকই। ঐথোয়বু পোকপারবা ইপা ইমা নখোয় অনিবু ঐথোয়না লৈরিবা লম অসিদা লোইরত্রা? লকয় লৈরক্তে ঐথোয়দি অসিদা লৈবা

ওয়াক্লে, গুম্না বাইয়ে। অসুনা মচা অহল্লা হায়রকপদা মমা মপা গুইসনা পাইমা রথল থল্ল। মপারী য়াইমা অদুনা অমুক হাক-রকই। হে পালেন পখৌ ঐথোয়না য়ায়া সারিবা অলিগুম্না য়ারী সাবহু তাই। ঐথেযনা লৈরিবা উপু অসি অমুকসু সাই, নুঙাল লৈবগুমসু ওহ, অমনম্বগুম্নসু উইয়ে। অসিবু সি-ম্নবসু উপু অদি থুগাইরসি। অদুম্না মচাগী মর হৈ তারবদা হায় য়াথংদগী হনই কারুবা অদুনা মচাবু লুংসিবগী মৈতে চৎ তুবা লাইরেল মপানলোই লিখু লেমা তিলচম্র পলেম নপাগা উইরেল ও উইরংগা, পনখৌ অনাদ মথোয় অনিনা থুডগা উবু অদুবু হায়গা য়াথং নুংহন্না চাকখায়রক্লে। অদুম্না লো-মডদ চৌকপা লোংবা নাত্তে। খুদং কাগা মতম হোরক্রে অদু-ম্না লোংমা লোংনবা থরা চিকপনা উপু অদু হোরে। সমখুল অমতনক হেবে। সম্না খনগা মখুল অদু হোরবনা খুংসিং সিং-চারে। সিংচানবা খংসিং অদু দাংগা সওরানি হায়রে। মখুল অদুদা য়েংবদা খুদংপু উহয়। খুদংগু উরবদা অহানবা ওহনা তেংপানবানি হায়দুনা নপন পনখৌ পালেম সিদবী ওইরিবা অদুম্না হায় লাহ উজরে হায়রে। মচা মনিসু খামংপু উজরে। অসুম্না মমা মচা মথোয় তরুক্কা খুংগী উপু অদু নোংমগী থম্না থরা চাকথায়দুনা য়ানা পাক্লা হোরক্নে। মতমদুদা থাবু উরক্লে। খুদং থা উরবদা উপু মনুংদগী নপন পনখৌ, পলেম, মপারা মমোম মখিমক লোইনা মপাল থোরক্লে। মালেমদা থোংদো-রক্লে। কোয়র্না য়েংবদা করিগুম্বা অমম্বা উথিদে হায়রে। থকী আতৈবা মখিং থা থরানিমচাকপু উরবদা থৌনিজরে য়ারী সাইয়ে।

লাইলেন নিংথৌ মমোমলোয় মৈতৈ চনু মিনু লৈমানা পাইমা
মুংদা থরকই। হয়িনা নহালনোং য়াথং পিহিখি। মুংগী উপু-
দগী থোরক্লবদা হয়ি সিংদবা থৈবু কৌরকউ হায়বীরম্মী।

কাওরেন সন যাইগং চনবী ওইনা কুমলকপা ।

ইবম্মা মহাক্লা নিংসিংলক্লবদা হয়ি সিদববু কৌই। হয়ি
সিদবা লাইলেন অথোইবা, থোজান পিবা ওম্বা লাইলেন।
নমোম ঐহাকপু মুংসিবিয়ু। হয়ি সিদবা য়াথং মতুং ইন্না হৌ-
জিক্তি হয়িবু কৌজরি। মৈতৈ চনু খাই লাংমৈতোন মিনু লৈমা
মহাক্লা মপনবু কৌরবদা নীংোল মহাক্লা লৈরীবা পোইরৈ লম-
থম অতুদা, হয়িনা কাওরেন সন ওইনা নমিৎকুম কুমথবীর-
ক্লে। হয়ি সিদবনা লেঙথবিরকপা লম্বীদি নহাল, মমোম্না চং-
খিবা লম্বীতুগী মতুং ইন্না মমোমগী মনাক্তা য়োরকদৌরে। মপা-
রী হেবুংখোসিং উবদা হায় লাইসদবনা মহাকী মতিক থঙহন্ন-
বা হাইদুনা সন অপুম্বা ওইনা মমোমনা লৈবা মাইকৈদা তাও-
সিলসিরক্লে। লাইজা ইথক চপোম্ন লাকপদো উদনা, মথকী
বাবু নিংসিংনা, পলেম পাং মপারী মমোম ময়াম চংদুনা সন
অতুবু লৈরাইসেক্তা থঙা পুখৎতুনা থনম্লে। মপা-মচা মখোইনা
হয়িগী থবাইবু সন বুক্তা উরে। মতমদুদা মচিঙাক ওইবা হায়-
দুনা সন অতুবু তাওহনরেংনা চীঙনা চিংথৰ্লে। হুইগী চিঙাক
ওইরক্লবদা নিংথৌ মমোম মিনু লৈমনা উরক্লবদা, নহানোংগী
বারী নিংসিংলক্লহনা কপা কপা মথংলেন তউবা হুই সকতম্না
ইপুরোই ওইরিবা ইবুংঙো রাংলৈ পীতুপ থরাদি ভাইবখোও।

মৈতৈ চনু মিহু লৈমা মহাক্না হয়ি থোক্তালবীয়ো থোনিজ-রে। মতম অতুদা হয়িবা সনবুক্তগী চোংথোকপীয়ক্লে। অসুম্না সনা য়াথং শিবিরে মমোমদা। হয়ি সিদবা ঐগী হকচাংদো (সন অসি) মপারী মরিমক্কী চউমজৌ। চিঙাক ওইজৌও। নপন ঐগী ইসাসিবু (হয়িগী সাবু) চাও-ও। বাহৈ অতু তারবদা নিংথৌ মমোমলোয়না মিহু লৈমা হংজে ইসাসিবু তৌহৈত্রা হায়না, হরিদা ভোইনা হংজে।

সনবু সারেন চনবা।

য়াথং অতু তারবদা নিংথৌগী মমোম খাই লাংলৈতোন মীহু লৈমানা পস্থো ইসাসিবু চাবা তৌহৈত্রা হায়না হায়দা হংজরে। হয়ি সিদবনা লাংওন খুদিংগী লাইচং মায়দে, ঐগী য়াইবী থবাইদি লাংওম অমা অমুক লাকয়েদনা ইমোম, মতম সিদা সনবু সারেন লৈনা হয়িগী মফম লাংদা ভুরো, সারেন চয়বা অচা অথক পুম্বা হয়ি লাই অথোইবনা কংবা ওইরগে। মতুংদা তাইবং চাসিংনা চিন্দমনবা ওইরো। অহিংবনা সারেন লৈনা ভুনা কংচরগা, মতুংদা অমুনবা মরম ১০৮ থোং লোন্দনা চামিননৌ। থোং লোনবদি লৈমরেন্দা সিম্নৌ। য়ুহৌবসু লৈমরেন্নী থোইয়ুমগী লীচংপু কাওগনু ইমোম মিহু লৈমা। বাহৈ অসি তাবদা, মমোম্না থোনিজে। হয়ি সিদবনা হেবুংথৌ মহুবু থাদোক্লোই ঐগা মতম খুদিং-লৈমিয়গনি, হায়না লৌ-সিং তম্বীখি। অসুম্না হয়ি সিদবনা হায় লাই সিদবন তাক-পীবা য়াথং মতুং ইম্না, নীঙোল মচা হেবুংথৌ অহুম অসিবু,

হয়িগী য়াথংদগী মালেমবু মসক তাকপীখি। লাইগী লিকপু তাক-পিখি। নোংমা নোংমা হৌখিবনা থাসিং কয়াম্থু হৌখ'র। পারি অহুমস্থু চাওবা লেপতম ফারে। লৌসিং সিংলে' হয়িগী পাও-তাক্কী মতুং ইন্না মালেমবু লোই চনবা ঙমজরকই।

মীমু লৈমগী মমোম ৱাঙমলোই মৈতৈদা হল্লকপা।

হয়ি সিদবা লাইলেন মহাক্কী য়াথংদগী, মমোম মীমু লৈ-মানা পোকচবা, ৱাঙমলোই, হয়িগীনা মস্থু হেবু'ধৌ, পারী মমোম মতম অমদা চারৌ-মৌ রৌনচুনা পাল্লকপ মংমদি স্থরোন অমা হৌরে (চক অমা) অস্থুম্না সিদবী হয়ি সিদবা অনিনা স্থরোন তারেং মথং মথং হৌরকই। মমোম কাংলেন সনা নোলৈমাবু তাইবং পানবা মপুনা নোংমা সিদবদা থাজৈ। নোংনা সিদবা মহাক্কী য়েক নলাইদি মঙাং য়েক সলাইনি। অওং অউন মহৈদি নোইনিং ফোরম তারেং পীহুনা ইমাম নহা ক্তি তম্ফা হীবু য়াইপুনা ত.উজিং হৈপোক্লা অঙা'য়ু মনয়াইদা চীংবান অৱাংবদা পনজরুও হায়না থাইবিখি। নমানদি কাঙ-ৱেন সন অনিনা সনপোৎ ফানা তাংখম সৱেন য়াদা চিঙ্গা তিন্নি পাদম লৌনো লাংওনখোও। অসি হাইনা হায়না অই-বংগী লিচংপু মথং মনাও নাইনা মমোম সনাম্বেম্বীবু থাজখি।

